অপঙ্‌গী নাৰী

ল মপাল

৯৮১ ই,

কোপী—১,০০০

ছাপা—

শ্রীখেলেন্দ্র সিংহ
ডি সরস্বতী প্রিণ্টিং ৱার্কস, ইম্ফাল।

ৱাহৈ খরা

মৈতৈ লৈবাক্তা অঙাংগী পানবা লাইরিক য়াম্নমক তাঙ্‌ই। মতিকচাবা খন্থনবা পাঙ্গল অঙাংদা রাংনা লৈ। মখোয়দা রাখল চঙ্‌বা রারেং পীরুবদা খোইনা কান্নদে। থায়নদগী চৎনরকপা অঙাংগী চাকঙাই রারীশিংনা মখোয়দা য়াম্নমক হৈনজৈ। অতুনা মখোয়না পামজবা রারীদা নাতৈ থিতুনা মতাং মতাংদা অনৌবা রাহৈ রাতা খর খরস্থ থেত্তূনা মসি ইজৈ। পুক্নীং থৌগৎনবা অয়েকপা লাই খরস্থ মতাং মতাংদা হাপচরি। চাংয়েং অসিনা মায় পাক্লবদি সেরিজ নাইনা অনৌবা অঙাংগী খুদোন মথং মথং লাস্থোকচনবা তানজা ঙাইতুনা লৈজরি। ইতি—

শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা

তৌবীমল উচ্চবা

পূকচেল চাউরবা মণিপুর সরকারনা অপীকপা অঙাং শেমগৎ-পিবগী পোৎচঙ্‌দা অপীকপা খূদোনমচা অমা ওইনা 'অপঙ্‌গী রারী' অসিবুস্মু খনগৎপিহ্নুা অহুমশুবা মনা ফংহনবীবগীদমক তৌবীমল উচ্চৈ অহুগা তঙাইফদবা মরম অমদগী পীবিহৌদ্রবা Publication grant ফংহনবীহুনা লাইরিক মচা অসিবু পুথোকচনবা হোৎনবদা অরাবা মায়োক্লহনবীরোই হায়বা অহুগুম্বা অচেৎপা থাজবনা লম-জিংহুনা য়াম্না হৈনীংনা; হয়াউনা অমদি অশেংবা-পুক্নীং ঈরোয়ননা লাইরিক মচা অসিবু অঙাংশিংদা য়েস্থোকপিনবা লানখৎচৈ ইতি

তাং ৭।৭।৮২ ইং

ইজবা—

অপঙ্গী ৱারী

১

অপঙ্গী ৱারীনি, থায়না,—মথায় থায়না হায়বদূবু আ- -কুইখ্রবা জাৎনি হায়ফম খঙ্ৰদে, কুইখ্রে হায়বসিনা লোইরে। লৈবাক অসিদা হুজীক উরিবা অসিগুম মী য়াম্না তারমদ্রি। শোরোক অচোবা লৈরমদে, অয়াম্বনা খোঙ্ লম্বী ওাক্তনি। ফো-থানবা লোবূক-লমহাও্ খরদং নত্তনা অতৈদি উ-ৱা-তনা ইথন থল্লম্মী। লম্বীদা কোলাস নত্ত্রগা নূং থারমদে, অসুকসু পাকলমদে, লৈকূৎ লৈতোঙ্ য়াম্না লৈরম্মী। হৱাগাড়ী, যণগাড়ী অমত্তা লৈরমদ্রি, মশক খং-নরমদ্রি। মীনা যণ, শগোল, শামুনচিংমদি লোইনরক্লবা- মতমনি।

উ-ৱা হোৌদবা লমদনা কোবা-শীংনাংনা থল্লম্মী। অদুনা লম অমগা লম অমগা ফাওনবদা হুজীক তৌবগুম থুনা হেক য়োবা য়ারমদে।

মতম অদুগী মীদি চাউরম্মী, শাংলম্মী। ইপৌ পৌনা হিংনরম্মী। ৱাঙাঙ্ শাঙাঙ্ ফাওবদা পৌই, অরেম্বদা ৱায়াম ঙাঙ্বা চৎনরমদে। পূম্নমক্কা মশা মশাগী শেংন-

চানবা মথৌ মশিলদা মায় ওনশিন্নে। অদুনা কনানসু মীগী মৱা ঙাওনরমদে। কনানা কনাদগীসু মীৱা-মীশা তানরমদে। হুজীক তৌরিবসিগুম মচি খূদীং ঈরাঙ-লাঙবা, মতৌ অসি করিসু লৈরমদে। চীক্লা ঈংনা লৈতানা পাল্লম্মী।

অহল্লম্মন্না হায়নবা লৈ—মতম অদুদি মীগা লাইগা শম্নরিবৈগী ৱানি। অসিগুম্বা মতমদগী খজীক্তংদি থেঙ-থরক্লবা অদুগুম্বা মতমগী ৱারীনি। লৈবাক লৈবাক্কী মাগী মাগী ফুঙ্গাৱারী লৈনবা ঙাক্তনি। মীরৈবাক্কী লাইরিক হুজীক হুজীক য়োল্লিবশিং অসিদা পীকথন্না য়াওরি। মী অপঙবা হায়বসি মতম পূম্নমক্তা, মফম পূম্নমক্তা অদুম্মক য়াওই, অশিংবসু অদুম্মক লৈনৈ। লাইগী খুৎশেমদা মথেন শুনবা অদুম্মক শেম্বিরকই। মী অফবা, মী ফত্তবা, মী অপঙবা, মী অশিংবা মখল মথেন কয়ানি। হুজীকসু ঐখোয়না লৈকাই লৈকাইদা অদুম্মক উনবা ফংলিব-সিনি। অসিগুম্বা মতৌ অসিদি মতম পূম্নমক্কী ওইফম থোকপনি, মতুংদসু অদুম ওইখিগনি।

উ-ৱানা ইশং-শংলবা চীং অমগী ময়াদা খুল অমা তারি। চীংয়ামক্কি হায়বসু য়াদে, মরক্তা লৌবুক লমহাঙ অমনা পাক্লা থংলি। মখা থংবা মায়কৈদনা লোইবা নাইদবা উমং অমা লৈ। অরাপ্পদগী য়েংবদা মদু মুশিন মুনা উই। মদুগী মনুংদা শা-কৈ কয়াসু লৈরিবনি। হায়রিবা খুল অসিসু অদুক হাক্লা চাউবা নত্তে। য়ুমসু লন্না তাই। ইংখোল খূদীংদসু উপাল-ৱাপালনা ইশূক হেক শূকই। অসিগুম্বা য়ুম ৫০/৬০ তনা শাবা খুল অমনি।

অচৌবা ইংখোল অমদা অমনবা শঙ্গোয় মচা অমদা লুপ্পাবী মমা মচা লৈ। য়ুমগী মমাঙদা পোৎথানরম্বগী লমহাঙ অমা চাউনা লৈ। অকোয়বদনা অন্নাংবা উপাল-ন্নাপাল হৌই। মমা অসি অহল ওইরকলে। মচানিপা অসিদি পুংককতি চাউরে হায়ববু মপোক্কী ওইনা অদুম ইপঙ পঙই। মঙোন্দা অশিংবা মতৌ অমত্তা য়াওদে। মমান্নবা লৈকাই মচা অতৈনা তৌবগুম মাদি করিসু তৌবা হৈতে, চপ চপ লেপতুনা মাগী মতৌতমক য়েংই। অসুম তৌনা মচা পোকপগী কান্নবা ফংদ্রবা মমা হন্নবাডুনা ন্নানা মচাবু থাক্কবা হোৎনৈ। পঙজরবসু মানা মচাবু খ্বায়দগী হেন্না নুংশি।

নিপামচা অসিগী অতোপ্পা মমিং অমা লৈতে। পঙ-বদগী মীনা মাবু অপঙ হায়না অডুম্মক কৌনখি। মাগী মমিং অসিবু মানসু অডুম্মক হরাউ হরাউনা য়াজে—মিং অসিগী অর্থ মানা খঙজদে। মমানদি অপঙবু ইবুংঙো হায়বদগী খক হেন্দে। মীনা কৌনবিরিবা মিং অদুবুসু মানা খক তাথীরুবা তৌদে। অপঙগী মপানা থনম্বা লৌ মচেৎ অমথক লৈ। হন্নবীনা মী নেক্কনা উহল্লগা মডুগী ফোনা ন্নানা হিংনবা হোৎনৈ। লশিং লৈরগা তক্কনা কাপথোকলগা মোইথাপ তাডুনা তরেঙদা লং নাইবনা মাগী মশিন্নি। হন্নবীনা নাইবা লংনা লংজা মান্নবা হেল্লি হায়ডুনা মীনা য়াম্না পামনৈ। অসুম্না লং নাইডুনা শেল খরা খরা তানজরগা মডুনা মমা মচাগী মচীঞ্জাক পুনরম্মী। মরোয় মশিং খর খরবুদি মানা ইংখোন্দা খরা খরা থাজবদগী লৈরুদ্রবসু চৎনবা য়াই। পুম্বীদা ঙা খরসু অডুম ফংই। চানীংলগা নোংমা ফাদোক

মীঙোন্দা নেক্তুনা ঈল চিংহল্লি, অফাবা ঙা য়েন্নে। অসুম্না মমানা ন্নানা হোৎনরিবা পূন্নমকসি অপঙনা খক খঙদে, উবসু উদে। কোয়না শান্নবা চৎলুরগা হনজিল্লকপদা চাক চাগে হায়রবনা লোইরে। হেক চাবগা অমুক হেক্তা চেনখি। মানা কদাইদা করি তৌরিবনো মমানা খক খঙদে।

হুজীক লৌবূক্তা লৌনা ইশং শংবা মতমনি। অপাক-পা লৌবূক্তা, অশংবা ফোনা মথক্তা নুংশিৎ শউম লাংবদি পাক্লা শন্দোকখ্রবা অশংবা লৌবূক অদুদা ইথক ইপোম হোবগুম য়েংবদা পূক্লাং শুঙ্কৎলি। ফো মপান শাবা হৌরকলে। খরনা শাদ্রি। মমানা নোংমা অপঙবু লৌবূক্তা উচেক ঙাক্লুনবা থাখি।

লৌফম য়োবদা অপঙ অদু পূমঙক ঙকুই, মুন্না য়েংই। ফোরেন মপান শাবা মহাক খক উদরি। মপালশিং অদূবু মানা হয়িংখোই ময়ামনা য়োম্বা ওইনা নাংখি। মানা খল্লি—লৌবূক্তা খোই তারে, লৌ মাঙবা তারে। অসি খন্দুনা মথূক্তা পায়বা চৈ অদুনা ফো মপান পূন্নমক কন্থরে। ন্নাবনসু শদৌ থোংলে। লেপতুনা য়েংই—মথন্তা নোকই—ইস্! মাঙলমগনিদা। লৌদা মপাল অমত্তা য়াওদ্রে, ফোনা ঙাক্তা চপ চপ তিংনা লেপলি। হরাউনা চেল্লকই, মমাদা তমলৈ—'ইমা, ঐখোয়গী লৌ অদো খোই তারমলে, মাঙবা তারে হায়দুনা ঐনা লোইনা য়ৈথৎলমলে—হুজীক্তি অমত্তা তোংদ্রে, ফরেকো ইমা—কো'।

মমা অদো কপথোরকলে—অপঙবা মচাবু করিগী-দমক লৌ ঙাক্লবা থারুবা, তোকলেদকো, ওম্নোকপনিদা।

অসুম হায়না মথন্তা মরাইবক্তা খূদুম্না শুজখ্রে। অপঙ্না হংই—'ইমা কৈদোরে?'

মমানা অপঙ্বা মচাদা পাঙথুম পীবা তৌখিদে। ইঙক ঙক্লদুনা অপঙ অদু তূমিন্না অদুম থোকখরে। অসুম তৌনা অপঙ্বা মচাবু য়োকপদা অহল ওইরবী মমানা নুমিৎ খূদাংগী মথন্তা কপতুনা লেনবা তাখি। পঙলবসু মচানি, মমাগীদি মচানা থরায়নি, মচানা মরলনি। মচা পৃন্নমক মমাগী নুংশি মতুম ঙাক্তনি।



অপঙ্না থোঙগ্রা মথাদা থুম লোংলি

মমা অসিনা নোংমা চাক থোংলম্মী। মমানা হায়রকই—'ইবুংঙো! চৎলু, থুম খরা তাইরু। অসি হায়দুনা মচাদা শেল খরা পীদুনা অপঙবু থাখি। হরাউনা অপঙ্ অদু চেনখরে, কৈথেল্দগী থুম তাইদুনা পুরকলে। য়ুম

য়োরম্বদাইদা লমহাঙ্দা অঙাং খরা শান্নরি। অপঙ্সু শান্নবদু য়াওনীংবনা লোইরে। অদূবু থুম অসিদি কমদোগনি। কদাইদা থমগনি। অপঙ্না থুম অদুগী লোৎফম অসুম থিরকই। মমৈদা মানা লমহাঙ্ মতাইদা লৈরিবা পূথ্রো অদূবু উরকই। মথরায় হরাউনা চেনখরে। অপঙ্না থোংগ্রা মখাদা মথূং থিংজিল্লগা ঈশিং মনুংদা থুম মপাক অদু থমলে। তস্ কনাসু উদ্রে, হুবা ঙমলরোই মানা খল্লি।

মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি খোংদগা থুম শুংলম্মী। মীয়াম্না মদু চাবদা কোন্নরমদে, য়াম্না তাঙ্লম্মী। মুক্তা কাঙ্জৈ থোইবশিংদা অকনবা অহৈবগী মনা ওইনা থুম অসি পানরম্মী। অদুনা থুম অসিবু য়াম্না লুনা তৌনরম্মী। অদুনা শান্নরিঙৈদা কনাগুম্বা মীনা থুম অদু হুখিবসু য়াই খন্দূনা অপঙ্না ঈশিং মনুংদা থোংখবনি।

মশাগী অঙকপা লৌশিং উবদা অপঙ নাংমথন্তা নোকমি নোকমি তৌজে। লোৎফম অদুদা হন্না অমুক য়েংই। অসুম্না হরাউনা চঙ্খিদুনা মমান্নবশিংনা শান্নবদা য়াওখরে। নুমিৎ থেঙ্জিনখরে। অঙাং পূন্নমক চাক লাম্নরকলে, মহৈ মহৈ কায়নরকলে। অপঙ্সু মপুক ইহাপ্ হাপ্না ময়ূমদা হল্লকলে মানা হায়রৈ ইমা চাক চারগে।

মমানা হংলকই—থুমদি কদায় ? অপঙ অদু খংপেক খংই, হুজাক্তদা লোৎলম্বা থুম অদূবু নাংশিংলকই। হোদুনা চেনখি। থোংগ্রা মখাদা মথূৎ থিংজিন্দূনা কোয়না থিখি, হাইমা থুমদি কদাইদা চৎথ্রে, লৈত্রে, কনানা লোথ্রে ? মফম শেরান্নবসু নত্তে, ঐদি কমদোনি।

কপ্না কপ্না অপঙ হল্লকলে—ইমা লৈরমদ্রেবো, মীনা হুথ্রমাল্লে ?

মমানা হংলকই—কদাইদা থনম্মী ? অপঙনা খুম্লকই থোংগ্রা মখাদা ঈশিং মনুংদা। কনাসু উহৌদে।

তাঙখ্রবা থুম অদুনা অরেম্বদা ঈশিং ওন্দুনা মাঙ-খিবা উবদা শাউমনখ্রদুনা মমানা লাউরকই—নঙতা শিখ্রোগবা !

অপঙনা খুম্লকই—হো ইমা, চাক চারগা শিগে, চাক পীরো।


শিবা হায়বদু করিনো অপঙনা ময়েক শেংনা খঙ-খিদে।

নোংমসু মমানা ফুংগাদা ঙা অহুমথক লৌরম্মী। অপঙ কৌদুনা হায়রকই—'য়েংঙোয়, মৈদা ঙা অহুমথক য়াইরম্বনি, হৌদোঙনা চাখিগনি, থরা য়েংলম্মু।

অপঙনা হায়রকই—হোয় য়েংগে, চৎলো। মমাদু থবক অমগীদমক চংখরে। অপঙনা ফুংগা মনাক্তা ফমদুনা ঙা অহুম অদুদা মুন্না অদুম য়েংবা হোৎনরি। ঙাইহাক লৈরগা হৌদোঙ অমা চঙলকই, মনাতোন্না ঙাগী মনম অদু শুৎ শুৎ নম্মী, অপঙদা অমুক কিনা কিনা য়েংই। অপঙনা ঙাদা অমুক য়েংই, হৌদোঙদা অমুক য়েংই। মানা থল্লি—ঐখোয়গী ইমাসি শিংখ্রেদা—হৌদোঙ লাক্কনি হায়বসি মাদি হেক্তা খঙই।

তপ্না তপ্না, নাশোন পীক্না হৌদোঙ অদু চঙশিল্লকই, তপ্না মঙক থিন্দোরকই ঙা অমা মচান্না লাকই। অপঙনা ভুমিন অদুম্ য়েংলি। মমানা য়েংউ হায়রম্মী, য়েংলি। ঙা চাথোকখিবা উবদা মমিত্তগী মপি তারক্কে তৌই। অদুবু অপঙ অদুম য়েংলি—মমানা শিন্নরম্মী। অপঙনা করিসু তৌরক্তবা উবদা হৌদোঙ অদুনা অকিবা লৈতনা ঙা অদু মফম অদুদা চাথোকলে।

হৌদোঙ্না মথংগী ঙা অমসু লামদুনা হেক লাকপা মতমদা মমানা মাংগোন্দগী লাউরকই—নমাঙ্দা হৌদোঙ্না



হৌদোঙ্না ঙা চাবা য়েংবা

ঙা লাক্লিবড়া উদ্রবরা? মাগী খোন্‌জেল হেক তাবদা হোদোঙ্‌না ঙা অড়ু পুড়ুনা অড়ুম চেনখরে।

মমানা শাউনা হায়রকই—নঙ্‌বু হৌদোঙ্‌না ঙা চাবা য়েংউ হায়রগা অড়ুরা?

অপঙ্‌না খুম্লকই—ঙসায়দগী অসুম য়েংলিবসিদি—

অমুক্কা হেন্না শাউড়ুনা মমানা লাউরকই, য়েংবড়ুনা ওইরে—ঙা অমত্তা ঙায়রিবসে?

অপঙ্‌না খুম্মী—অনিড়ুদি হৌদোঙ্‌না চাখিবনি। অমনা অসিদা চায়। অমনা নঙ্‌না লাউরকপদগী চেনড়ুনা পুখি। ইমা নঙ্‌বু অংক হৈতবরা? অড়ুম লৈরম্মী অনি চংখরে—অমা লৈহৌরিবসিদি চুমদ্রা?

গতি লৈত্রবা মমানা মখোঙ মখূৎ তিংথোক্ত্না কপচবা তাখি। কপ্পসি নত্তনা মাগী অতৈ পাংগল লৈজদে। মরাইবক্লনি, কনাদা তাইনরুগনি—মপোক থীজবগনি। শিবা ঙাইবা নত্তনা মাগী পান্বে করিসু উদে।

২

অহল ওইরবী মমাড়ু মশা ঙমদবা নুমিৎ ৭।৮ নি শুরকলে। মতেং পাংবীবা মী ৱাৎপনা ঙমদ্রবসু ঙমদনা মথন্তনা পূম্নমক তৌজরম্মীনি। ঙমলিবমখৈ মানা চানবা খিরম্মী, অহাউ হাউত থিদনা নোংমগী চরা অমত্তং মচাদা পীজনবা হোৎনজরম্মী। অদূবু ঙসি অসিদদি মমাড়ু হৌগৎপা ফাওবা ঙমখিদ্রে। কোক্কা মোনগা তাইনড়ুনা মমিৎ উইশিল্লগা অড়ুম তুমিন্না হিপখরে। কৌবসু ঙাঙ্‌বসু নীংথিনা পাউথুম পীরকখিদরে।

গতি লৈত্রবদা মীনা লৌশিং তারকই। অপঙসু চরা হেনবা তারকলে। মমানা হিপ্না হিপ্না অহানবা নোংমা নিনিদি অব্রাৎ অপা তাকপিদুনা, মচাবু মথন্তা চাক থোংহন্দূনা পীজনবা হোৎনরম্মী। হুজীক্তি মমাসু ব্রা ঙাঙখিদরে—য়াম্ফক্ তাদুনা লৈথোকখ্রে।

চৈনা য়ৈদুনা অপঙ অদু মচীঞ্জাক থিবা হৌরকলে। মমানা থাবা পাংথোক য়েন্দেম থিদুনা হাউবা হাউতবা চারকলে। চাবা লোইরগা হেক্তমক চেনখি। মমানা তৌরিবদু করম্না ফগনি, করি মতেং পাংবীগনি, মানা করিসু খঙজদে।

মপূক্তা হরাউই- ‘ঐ চাক থোংবা হৈরে—তদূবু ইমানদি চাও হায়বা য়াদে করিগীনো খঙদে।’

মমাদি নারিবনি। করিসু চানাংবা পোক্তে হায়বসি অপঙনা খঙদে। ঙসিসু মমাদু ফম্মুংদগী হৌগৎলমদে, মানা হায়রকই—ইমা নঙসিমা! ঙসিসু হৌগৎতে।

খোঞ্জেল পীক্লা, মমানা হায়রকই—“ইমা ঈশিং খিত্তা থক্কে—”

অপঙনা খঙই- অনাবদি ঈশিং অশাবা থকই। মসি মানা মাগাদা তৌবা উই। মৈ থাগৎতুনা মানা ঈশিং শৌহল্লে। মমাদা হায়রকই—ইমা, ঈশিং হায়বদো লৈরে, নয়া কাথোকউ।

মমানা মমিংতি পাঙদনা ময়া কাথোরকই, মচানা তৌরিবদূবু মানা উবা তৌখিদে। অপঙনা ব্রোঙ-ব্রোঙ শৌরিবা ঈশিং অদু মমাগী ময়াদা হৈজিনখ্রে। অশাবা ঈশিং অদুনা চাকথেক্তূনা মমাদু ঙাইহাক মখোঙ মখুৎ কাওরম্নগা অদুম তুমিন লৈখ্রে।

মমা শিরে হায়বদু অপঙ্না খঙ্দে। মঙক লেকথরে, অদুগা ময়া অদুদি লাওনা অদুম কাথোকলি।

অপঙ্না খললি, ইমানা চু চাগে হায়রে। মখাথংবদা মমানা চু খরা থারম্মী। অপঙ্না চু য়াল্লুরে। মকক অনি অহুম ককলে। হায়রকই-সে ইমা লৈরেসে চারো হায়দুনা চূ মকক অমা কাথোকলিবা মমাগী ময়াদা নমশিল্লে। হন্না য়েংলমদে, নুমিৎ খূদীং তৌবগুম শান্নবা অদুম চেনখরে।

নুমিৎ তারক্লে। শান্নবদা ৱারবা অপঙ্ অদু ময়ূমদা হল্লকলে। মমানা নারবদা মানা নুমিৎ খূদীংগী মৈ হোগৎখি। মনা মনিন নাইদনা ঙসিসু মথন্তা মৈ হোগৎচরে। মৈ মঙান্দা মানা মমাবু য়েংলকই মানা ঙসায় ইল্লম্বা চু অদু অদুম্মক মচি লেঙদনা লৈ, নুমিৎ খূদীং মতোগুম মমাদু করিসু লেঙদে, ঙসিনা মওঙ্ অমনি।

করিনো'সিদে। অপঙ্না কৌরকই—ইমা, ইমা—, ইমা নঙ্বু তাদবরা ?

অপঙ্না মমাগী মশা নীকলুই। হেক পায়রুবদা খংপেক খংই—মমাগী মশাদু উন-মরুম ঈংই। অপঙদু খজীক খজীক কিবা হোরকলে—মমৈদা মানা খঙবা ঙমলকলে- মাগী মমা শিরে।

মা অশিবদি তুরেন মপান্দা লৈ। পীক থন্না উরে। শিবু শিরবদি ময়ূমদা অমুক হল্লক্তে, কদাইদা চৎলিবনো খঙদে, মীনসু অমুক্তা উদে।

মতম অদু শিরগা মৈ থাবা চৎনরমদ্রি, লৈপাক্তা ফুম্নরম্বা মতমনি। অদুনা অপঙসু মদূবুতা খঙ্লম্মী।

মহাক্না মমা অশিবন্ত তুরেন মপান্দা পুখরে। তোর-বান মচি অমদা তোথোক্লগা ফুমজিনখরে।

হুজীক অপঙ মথন্তা ঙাইহোরে। মথোঙ মরম খঙদ্রে, ককঙাওনরে। মচি খূদীং চপ চপ লেপ্লকলে। মপোক্কী ওইনা পঙলকপগা হুজীক লমজিংবীবা মমাদু লৈখিদ্রবদগীদি অপঙ্ অদু পুংফক ফকচিনখরে, শূক্লা শুজিল্লবগুমথ্রে। তাইবঙ্ পানবা অসিবু মানা পূমঙক ঙকচখরে। থৌরাঙ্ চাউবী মমানা কল্লিঙৈদা অচা-অথক কয়া লাঙ্‌দুনা পৈশিল্লম্মী। অপঙ্‌না মদূতবু অসুম কাইদুনা নুমিৎ খূদীংগী মাগী চরা তয়রি। মদুসু লোইবা নাইদবদি নত্তে,, পেরেগুম অসুম শোগংলক্কনবা নত্তে-ঙসিদি ঙম্না মশক উথিদরে। মদু উবদা মমিৎ পাঙ্‌না পাঙনমক অপঙ্ অদু পুন্সম মমখরে। অদুমক্তদা করি তৌবা হোনবগে অপঙ্‌না খঙ্‌বা তৌখিদে। ঙসিতদা মানা মমাবু কোদুনা মমিত্তগী মপি শিন্থরকই—'ইমা! নঙ্‌বু কৈদনো! লাকও।'

৩

পঙ্‌লবসু শিংলবসু মীওইবা পূম্নমক হিংনবদি হোৎন-দবা য়াদে। অপঙ্‌বা মীসু চানীংবা থক্লীংবা পোকই। নখোয়না তৌবগুম মহাকসু অরাম খোরাং মশক খঙ্‌ই। অদুমদি ওইরগা মদূবু ফংনবা হোৎনবা মতমদা তৌথো-রকপা থোদো থোওঙ মতাদি অপঙ্‌বনা তৌবগা অশিংবনা তৌবগা মওঙ্ থক মান্নদে। থবক্কী মতমদদি মসিনা পঙ্‌ই, মসিনা শিংই হায়বন্ত মশানা অদুম্মক তাকচরকই। নত্রিমথৈদি অপঙ্‌বসু অশিংবসু মীগী মী মক্তনি, চপ মান্নে, করিসু খেন্নবা লৈতে।

অপঙ্‌সু হুজীক মথন্তনা মথন্তগী চানবা থিজবা হৌরক্লে। থবক অমত্তসু মানা নাংথিনা তৌবা ঙমতে। অদুনা লৈপাক তৌবা হোনবনচিংবা অপোবা থবক তৌরকলে। অদুমক্না মাগী খুৎনেক শূদুনা হুমাং মমল থরা খরদং ফংজবনা অপঙ্‌না মশাগী চরা তম্নরকলে।



ঙসিদি অপঙ্‌ উরক্তা উ য়াল্লি। শীং নৈতে শীংগী উ য়াল্লিবনি। উ অকৌবনি, ফল য়াম্না য়াংশিল্লক্লে, চাক-বোক চল্লে য়ারদুনা মখুত্তা শীংজগু পায়রগা অমুক অমুক লৈপ্লি, হুমাংনসু মশা পূমচোৎ চোৎলি। মনাং

তেকথোক্ত্না মান। অমুক উ অড্ড য়াল্লি। মাগী শীংজঙ মখোলনা ভুমংদা থোন্থাঙ্ যৈদুনা ঙংলি।

উ অড্ড তুগদবগী ফেৎ-ফেৎ হাইরকলে অপঙ্না উ তুরক্কদবা মায়কৈদা লেপ্লি। তুগদবা কুইদ্রে হন্দ্না লেপ্পা লৈতনা শীংজঙ থারি—।

মনাক্তা শীংজনবা নিপ অমা চংলম্মী। মহাক্না অপঙ্বু উরম্মী। তুরক্কদবা মায়কৈদা লেপ্তুনা উ য়াল্লি দ ত্রুবদা মহাক্না থিংনা লাউবকই--হায় নিপা মহা। থুনা মলোকউ, উনা নন্দ্না নঙ শিরগনি।

হ য়ান্না য়ান্না অপঙ্না খুম্নকই— নঙনা হন্দবা, থৌ লৈতে চংলো।

নিপাড়ুন শাউনা হায়রকই "উনা নন্দনা শিরনি তাকপিবনি, শিরগা শিজহৌদনা।" হায়রক্তুনা নিপা মমায়-লৈথোকখ্রে।

কুইদে, নিপাড়ুনা মমায় হেক ঙাথোকখিবগা মরোম উ অড্ড প্রাক প্রোক তেকথরকলে--এ অপঙ ভুরু উনা নন্দ্না ভুখ্রে অপঙনা লাউরকই 'হো তান্দ লাইবা, উনা নল্লে, ইম।"

উ তুরবা মখোল তাবদা নিপাড়ুনা য়েংথোরকই -অপঙবু উনা নবড়ু মানা উরকই। অপঙনা লাউবা মখোল অদূ-বুদি মমানা তাবা ফংখিদে। অদুগা উন নন্দ্নবা মানবু কমদৌনা লাউব ঙমগনি। অপঙনা মমাগী লৈমনা থাড়ুনা হোনা লাউজরবসু মাগী মখোল অড়ুদি মচানগী মপান থোরকপা ঙমখিদে।

অড্ডমকপু নিপাড়ুনা থুনা চেনশিল্লক্তনা য়াম্নক ব্বানা

শীংজঙনা উ অদু থাংগৎপিদুনা অপঙবু হৌগৎহনখি। অপঙনা ফক হৌগৎলগা হায়রকই—'ইস্ শিরমগনিদা!'

অপঙনা হায়রকই, হো তাদা মাইবা! নহাক য়াম্না খঙই—সে খূবাক ময়ি অমুক্তা য়েংলম্মু।

অপঙনা মখূৎ তিংথোকই। নিপাদুনা খঙলে—নিপা মচা অনি য়াম্নমক পঙবা মা অমনি।

মঙাক্তা অপঙবু ফাগি তৌদুনা লঙনগে খল্লে। অপঙগী মখূৎ পাইদুনা মুন্না য়েংশিন্নরে হায়রকই—'হে ঙনা নন্বা অঙাং। নঙ কুইররোই, নপুন্সা লোইরে। নুংশিৎ অহুল্লক খাইবদা নহাক শোয়দনা শিরগনি খঙউ। চৎলো, হুজাক্তি নয়ূমদা হনখরো।"

অপঙনা মথন্তা শোল্লকই—ঐবু শিরগদবা! নুংশিৎ থাইবদু শিবা। তাদা অশিংবা! শিরগা অমুক কমদোবা!

নিপাদুনা হায়রকই—"শিরবদি নহাক তোর্ববান্দা, লৈনুং-দা লৈরগদবনি, মা অতৈ শিরগা ফুম্বদু নঙ খঙদ্রিবরা?"

অপঙনা হায়রকই খঙই, ঐখোই ইমাসু শিখি, ঐনা লৈনুংদা ফুমলুই।

নিপাদুনা হায়রকই—উম্ চুমই। অদুম তৌগদবনি। হুজাক্তি চৎলো, নয়ূমদা পোথারুরো।

নিপাদু চৎখরে। অপঙনা মথন্তা লেপ্তুনা লৈহোই। মানা মা শিবগী মতৌ নাংশিংলকই. মমানা তৌখিবশিং অদুবু মামত্তা উরকই। অসুম অসুম কিবা হৌরকই, মমৈদা অপঙ অদু কপথোরক্লে—'হো ইমা, ঐ শিবা তারে, কম-দোগনি ইমা!'

অপঙনা নিপাদুবু তান্নরকই, হায়রে—'তাদা! ঐ কিজরে, ঐবু শিহনগন্নু।"

নিপাড়্না চৎনা চৎনা হায়রকই—‘ঐনা ঙমদে, নরাই-বক্কীনি।’ হায়না হায়না নিপাড়্ চৎখরে। খরা চৎলগা মানা হন্না [illegible]কই, মানা উরে; অপঙ্ড়্ কন্না চেনখরে।

চেন্না চেন্না অপাঙ্ড়্না খল্লি—শিবগী থোরাঙ্ তৌবা তাই, [illegible] শি, [illegible] শি, ঐস্থ শি, লোইনা শি—পূমশি শি। ঐগীদি [illegible] লৈতে, ইথন্তনি: শিবগী থোরাঙ্ তৌবা [illegible] শিবনা [illegible]বাদ থোরাঙ্ অমত্তস্থ তৌদবা ভাই।”

[illegible] খন্না [illegible] চেল্লক[illegible] মানা মপূক্তা নুং-শিং [illegible] কাউবা লৈতে। অমুকস্থ মানা খল্লি—“[illegible] থোরক্কদবা নুংশিং। নখোয়বু কদাই-দা [illegible] থোরক্কদৌরিবনো? নশক্কা [illegible] অরবদি [illegible] থোক্লককস্থ, [illegible] থোক্লক্রবদি মা শি [illegible] অাশংবনা হায়।” [illegible] মুরুম মুরুম শোন্দুনা চৎলি। [illegible] মরান শুইদুনা খঙ্হোদনা ‘বোঙ্’ হায়না মখোম [illegible] ভাবা ফংলকলে। ইস্, কদাইদগী [illegible]! [illegible]দগীনি, ঐ কঁরি অনত্তা খঙ্হোদে, ভাকশস্থ [illegible]। ইমাই পেম্মা; অহানবা অমা চৎখরে, অমুক [illegible]কইনবা য়াদে, অমি হায়দুনা মহাক্কা মখোঙ্ [illegible] তোক্তুনা কূপ্থাপ থাংলে, চপ্-শিন্দুনা নুংশিং মপান থোকৃফম লৈতনবা রানা হুমাং ভাবা মথৈ হোৎনরকলে।

উচিন-[illegible] মপী কোন্থোঙ য়োরকলে। অরাবা কোক্তুনা মানা [illegible]বা স্বর অমা হোল্লকই, মতুংগা লোয়-ননা অনিশুবা [illegible] অমগা অমুক তারকই ‘বর্-র্-র্—

কিবনা হুমাং অনপ্পা অমুক কারকই—মমা কৌরকই। কপ্পা কপ্পা কোঙ্গোঙ লানশিল্লি "ইমা! অমত্তা ঙায়রেদো ইমা! লোইরেদো। নচানা শিবা নঙদি ঊজদ্রেদো অপঙবী! করিগী হান্না শিরি হা?"

ময়ূম ঊবদগীদি হাইফেৎ অমুক হরাউই। হিংলগনি অসুম্না খল্লকই মাগী য়ূমগী দাড়ি অদু হাইফেৎ ৱাংই। ঈশিং থুমদনবা মপানা দাড়ি ৱাংনা থোল্লম্মী। দাড়ি কা-নবা মখোঙ নাম্না হাইগৎলকপদা—ইস্ অমসু অমুক—বো—ঙ।

অপঙবীকথরে। মাগী অরোইবা মরল অদু অরোইবা ওইনা চৎথরে. মথা অমা অমুক লৈতরে। মানা খল্লি, ঐ হুজোক শিরবনি, মথা অমা অমুক লাক্লবদি ঐ অমুকসু হন্না শিবা তাই। মদুসু থোকহনবা য়াদে—অদুনদি কমদৌবা তাই!! মণি মতুমগুম লুনা থমজবা মাগী অরোইবা মরল অদুনা চৎথ্রবনা মহাক হুজোক শিরবনি—অদুদি করি তৌবা তাই।"

হুজোক মহাক অহিংবা মী নৎতরবনি, হান্নগী হিংলি-ঙৈদা তৌবা থবক তোকপা তাই, শাজৎ অমা তোংবা তাই। শিবা হায়বসি হিংদরবনি। হিংদ্রবদি মমাগা মান্নরে—তোরবান্দা লৈরুবা তারে। অদুগা য়ূম অসিদদি কনা লৈগৌগনি—য়ূমসু য়ূমনা থোকপনি, মরাইবক্লি, কমদি তৌগনি লাইনা য়াদরবু।

য়োৎপাক লৌথোক্লুরে। ফকলোং অমসু পুরে—অপঙ তুরেন মপান য়োরকলে। মফম অচাবা অমা য়েংলে—কোম অশাংবা অমা তৌরে। ফকলোং অদু

মনুংদা থারে। অপঙনা চঙ্‌দুনা হিপতুনা য়েংই—ফরে, চপ্‌ চারে। মানা হায়রকই 'ইমা! ঐসু লাকলে।'

নুমিৎ তাশিল্লক্লে। মমশিনবা হৌরক্লে। কোম মনুং অদুনা অমুক হেন্না মমখরে। অপঙ্‌ কিবা হৌরকলে। চাকসু লাম্বনা লোইরে—মপূক তৎকদোরে। খল্লি—শিরবদি কিবা য়াদে, চাক লাম্লবসু তুমিন্না খাঙ্‌গদবনি—রা ঙাওবা য়াদে, মানা নোক্লগনি। শিবনা অসুক ৱাবকো--শিহৈদেদনা 'সিদে। খন্না খন্না অপঙ্‌ অদু তুমথখরে—অসুম্না অরাম খৌরাংসু খঙ্‌খিদরে।

৪

য়াম্না মমই, নোংয়ায় চরুকনি। কোম মনুং অদু য়াম্নমক ঈংই—, নুংশিংসু অঈংবা ঙাক্তা শির্লি। অপাঙ্‌ কুইনা তুম্বা য়াদে। লাই ফাঙবনা মাগী রানবা শীল্লে। মিকপ থোক্লে, অমম্বদা মমিং পাঙ্‌লকই—আতিয়া মথক্তা থোক্লিবা অরংবা থৱানাচাকশিং অদুবু তপ্তপ তরেং ঈরকই, অসিদগী হেনবা অতৈ করি অমত্তবু মখোক্না উবা ঙমখিদে। খরা খরা অসুম লৌশিং তারকই—নাংশিংলকই—মানা উ য়ানবা, অশিংনা লাকখিবা—মাবু উনা ননবা। মথংদা খুবাক ময়ি য়েংবগী মতাং হেক খল্লক পদা মহাক হুমাং কাংই, কিবা হেল্লকই—অসুম্না মমৈদা মানা শিরকপগী ৱারীগা লোয়নন্না হুজীক মানা নৈরিবা মফম অসিবু তোর্ববানগী কোম মনুং অদুনি হায়বা খঙ্‌লকই। অপঙ্‌ কপথোরক্লে—ইস্‌। হুজীক ফাওবা চাবা ফংদ্রি 'ইমা'! লাম্বনা শিরে অমুকসু হন্না শিবা তারেদো ইমা, ঐবু কনানা পীজগনি। ইমা, ঐ অমুক

শিবা ঙমলোই, অমুক্তং অসিস্তু শিগদোরে। অশিংবনা হায়রবস্তু ঐনা য়াররোই।'

অপঙ্ মমিৎ উইশিন্দুনা থাঙ্‌লি, মপূক্তা শিরে অসুম্না থল্লি।

তানজ্জ অসিদা শগুং তৌব নিপা অনিথক অদোমদা লাক্লম্মা। অমনা হায়রকই—ইত্তাউ, কমদোনি, ঐ খোঙ্ য়াম্ন হামনাংলে।

অমদুনা হায়রকই—মতাঙ্‌দবু ৱারিবরা? চংলো ঐ চাশিবমগে, মচি অমম হেক ফমলু।

অমদুনা তোর্বান্দা কমথবকই, অপঙ্গী কোম অদু মুশি-মুশ উরকই—মান, মচেগী মপান্দা ফম্লগা মতম মতম মাংথককলে। মাগী অমাংবনা অপঙ্গী মমায় মমিৎ পুম্মক কোমলে। অপঙ্ অদ ইংক ঙকই। যেংবদা কনাস্তু উদে, অদনদি মনা মপূক শাম্না মতৌ উবদা লাইনা মগী অচাপেং থাদনকলিবং? 'হে লাই নঙ্‌দি য়াম্না খোঙোল হৈ।' হায়ম্না খন্দুনা মচ ক্না মযা কাথেক্তুনা কং-কুং যেংশিল্লক্লে। তাবনিংলিবগুম নাংস্তু পুখিদননা কন্না হোৎনা। মনম অসিদি হৌনবানা। লইনা শাদরকপা চাঙ্ক্বা মনমলা, মসিদংদি কৈনা থদ্রেদা।

মপূক শরা থনগংলক্লবদা অপঙ্না ননমগী মরমদা খল্লকপনি। অহানবদদি মনমককা করিমত্তা খঙ্লমদে, হুক্কাক্তি মবূক শরা থল্লদুনা মনমগী মরমদা খল্লকলি—নম্থাবা হৌরকপদগী থাঙ্বা য় বক্তরে—ঙকু—হান্নগী মপূক্তা চঙ্খিবশিং অদু লোইনমক মপান থোরক্কদোরে

অমম তৌরিউঁ চৈরক্তা কোম মপাল অদুদগী মখোল অমা তারকই—"বো—ং" মসিবুদি অপঙ্না মশক মুন্না খঙ্ই,

মহাক্না শিরিরসি 'বোং' অহুম্নক্তনি। মানা খঙলে, লাইনা পীবা অচাপোৎ নত্তে—অদুনা অসুক মনম নমথীবনি—'সিদি মীগী মশাদগী থোরকপনি—ওক—।

মথক্কগী হুরানবদু খংপেক খংই। খংচোং চোংখৎলি—কোম মন্নুংদা হন্না য়েংথরকই—'ক-না—নো?' মান্না কিনা কিনা হংলকই। মাগী অকিবা খোল্লাউ তাবদা মথক্কা ঙাইহৌবা অমা অদুস্ চেনশিল্লকই—"করি তৌরে?" মান্না হংলকই। অমদুনা হায়রকই—"লাইরা মীরা খঙদে, কোম মন্নুংদগী শুক ওক হায়বা অমা তারকই—অমুক্তা হংদুনা য়েংসি—"

মখোয়না অসুম ঙাঙনরিবৈদা, অপঙ্না মপূক পায়দুনা ঙনৌংবা ফারগা ব্বানা অমদি শাউনা লাউরকই—'কনানো? মী অশিবদা করি তৌররিবনো?'

তাবদা হুরানবা অনিদু শ্বায় পাখৎলি—'করি হায়বা হা? মখোয় অনিমক য়েংনরকই, কিবনা মশা থক-থক নাকুই। 'হাইমা কমদৌগনি! মী অশিবন্বু ব্বা ঙাঙবা, শোয়দ্রে হীয়াঙ অথৌবা শুল্লবা জোৎনি—চেল্লসি' মখোয় অনিমক ঐনা হানগে মতাপুম কন্না চেন্নরে। মরা চেন্থোক্লগা লেপ্তুনা শোর থবেৎ-থবেৎ হোল্লা য়েংলকই—মখোয়বু কনানসু তান্নরক্কে। হীয়াঙ অথৌবা ওইরবদি শোয়দনা মখোয়বু ফারগদবনি অদুদি করিনো?

হুরানবা অনিদু হাইফেৎ কিবা ফরকই। অদুমকপু চান্নরা কিবা তৌক্ত্রি, থোংনাং মরুমদা নৈশিন্দুনা লোৎলগা মঙক চেপথদুনা মূনা মূনা য়েংলি।

"এ—থোরকলে, ইস, উখিদুনা তৌক্লগনি।" অসুম্মা খন্নদুনা মখোয় অনিমক চেৎনা কোনশিন্নরকই, তুম্বক

তাশিন্নৈ। অদুমক্তদা মখোয়না মমিৎনা য়েংলকপদি তোকপা লৈতে। মমিৎ কূপ্তে—মমিৎ কূপ্লিনৈদা হীয়াঙ্ অথৌবা পাইশিল্লকপস্থ খঙ্দে—অদুনা মমিৎ লাওথোক্তুনা অকিববু য়েংলি।

মতম অসিদা অপঙ্না কোমদগী থোরক্তুনা তুরেন্দা কূমথরি—

হূরানবা অনিনা হায়নৈ—এ, ঐখোয়বু উদ্রে, তুরেন্দা কূমথ্রে, করি তোবগে য়েংউ হায়। অসুম হায়দুনা খরা চৎথোরক্লগা মখোয়না অপঙ্গী মতৌ পূম্নমক য়েংলি।

অপঙ্না তুরেন্দা কূম্লগা মমায় মমিত্তগী অমাংবা তৈবা চামথোকপা লোইরগা অমুক কাখৎলকই।

হূরানবা অনি অদুনা অমুক তুংদা হন্দোকই, মখোয়বু উদনবা হোৎনৈ।

অপঙ্না কোমদা চঙ্লুরগা য়োৎপাক পুথোরক্তুনা অনৌবা কোম অমা অমুক তৌবা হোৎনরি।

হূরানবা অমনা হায়রকই—'মসি মী ওইরমাল্লেদা, ঐখোয় খিৎ কিমনথ্রে।'

অমদুনা হায়রকই—"মীবুদি মীনি, অদূবু মীনবু অসুম্না তৌবসিবু—"

অঙাওবককা ওইরম্লবদি, মদুসু ওইবা য়াইদনা?
চুম্মী মদুসু ওইবা য়াই, অদুদি হংদুনা য়েংসি—।
অসুম্না খন্নদুনা কিনা কিনা মখোয় অনিমক চঙ্লকলে।
অপঙ্না হংলকই—'নখোয় কনা কনানো? হুজীক ঐঙোন্দা অমাংবা হৈথরকপত্ত নখোয়নরা?

হূরানবশিংনা খঙ্লে—মানি, মহাক অশেংবা মী অমনি।

অমনা হায়রকই—ঐখোয়দি হুজীক্তা লাক্লিবনি—মতু ঐখোয় নত্তে। নহাকপু অসিদা করি তৌরিবনো ?

অপঙ্না খুম্নকই—'ঐদি শিত্তুনা লৈরিবনি, নখোয় চৎখরো চৎলো।'

হূরানবশিংনা খঙ্লে—নিপা মচা অসি তোররীংবা, পংশিংশিংদবা মীওই অমনি। মখোয়না মাবু থেমত্তুনা নোত্তুনা, থাজহন্দুনা মমৈদা মখোয়গী মতুং ইলহল্লকলে। অমনা হায়রকই—"ঐখোয় অশিবা লাইগী মনাইনি, নঙ্বু কৌবা লাক্লিবনি। লাউ ঐখোয়গী ইতুং ইল্লকউ। ব্বা ঙাঙ্বা য়াদে, লাউবা য়াদে নঙ্দি শিরবনি।"

অপঙ্না করিসু খুম্বা তৌখিদে—তুমিন্না মখোয়গী মতুংদা অত্তুম ইন্দুনা লাকলি। য়ুমলক চঙ্লকলে, মখোয়বু উবদা হূই মখৈনা ;কৌ-কৌ খোংলকলি। অপঙ্না কিরত্তুনা হূরানবা অমদা নপশিল্লকই। হূরানবনা হায়রকই কিগন্নু, করিসু তৌরোই।

অপঙ্না হায়রকই চীক্লবদি ?

হূরানবনা অমুক মখা তারকই—নঙ্দি শিরবনি। চীক্লবসু নাবা হৌনদে।

অসুম্না লাকপনা ইংখোল অচৌবা অমগী মনুংদা চঙ্-লক্লে। হূই অচৌবা অমা খোংত্তুনা খোরক্লম্মী। হূরানবনা করিনো অমা মৈ থাত্তুনা লংথোকই। মত্তুগী মনম ফংবদগী হূই অত্তু কদোমদনো অত্তুম চৎখরে—খোংলকখিদরে।

হূইনা খোংলিঙৈদা ইমুংদগী মপু অত্তুনসু "শূ—শূ" খো-জিল্লি। হুজীক হূইনা খোংখিদ্রবদগীদি মপু অত্তুসু লাউবা তোকখ্রে— অমুক তুমখগ্রমাল্লে।

অপঙ্না পূম্নমক অসিবু মমঙ্-মহাগুম য়েংবা লাক্লরি। মানা খল্লি—শিরবদি অসিগুম্বসি ঙাক্কা থেংনবোইরে, ঙকখ্রেদা।

৫

হূরানবা অমনা ফক্লাংদা নপ্শিন্দূনা করিনো মখোল অমা তাবা হোৎনরি। মাগী মখূৎনা অমচুদা করিনো অমা হায়রকলি। অমজুনা য়েন্নখা দাড়ি ফক্তোক্লে, মথংদা অরাওবা লৈখুন অমা হুৎলি। অঙকপা মতৌগী মতৌ ঙাক্তা—অপঙ্ মমিৎ কূপখিদরে।

লৈখুন হুৎপা লোইরবদা হূরানবা অমনা হায়রকই—নিপামচা! নঙ্ অহোবা অসিদা নশা লীৎশিনখো।

অপঙ্না হায়রকুই—কৈদোনবা?

হূরানবনা হায়রকই—ইমুংদা চঙ্লগা পূখম-তেংকোৎনচিংবা কোল্লীক মখৈ—ইস্থোরকউ।

অপঙ্না হায়—অমম্বদবো, কমদোনা উগনি?

হূরানবনা খাউদগী চেঙ্ খরা পুথোরকই। মানা মচু অপঙ্গী ফীজিদা কিশিনবীরগা হায়রকই—সে, মনুং চঙ্লগা লেপখত্তুনা চেঙ্ অসি কোয়না চাইথোকউ। মখোল তাবা ফংলক্কনি। মদোমদা নখূৎনা মাশিল্লু। অফংবচু পুথোরকউ। কিরুগনু মখোয় লোইনা তূমলিবনি, করিসু খঙ্লোই।

অপঙ্না ৱানা হোৎনচুনা শগুণ-থোঙ্ অচুদা লীৎশিল্লক্লে। য়াম্না মন্মী, করিসু উবা ফংদে। অকোয়বদা

তুম্নরিবা মীশিংগী মনাতোন্দা হোনবা স্বরনা নাখোক্লবা মানা তাবা ফংই। লময়ায়দা লেপ্লগা ফীজিদগী চেঙ্‌ লৌথোক্তূনা মানা অকোয়বদা চাইরকলে। ইনক নক্লা 'তোং' হায়বা মখোল অমা তারকলে। মখোল অদু তাবদগী অপঙ্‌না মখূত্তা লৈহৌবা চেঙ্‌ মখৈ অদু লোইনা থাদখরে। মখোল অদু তম্না মখূৎ লামথোরকই।

ফম্নাঙ্‌দা মহাক্লা পূং অমা থেংনরে। পূং অদুগী মনাউদা চেঙ্‌না থাবদগী 'মখোল থোকপনি হায়বা মানা খঙ্‌লে। পূং অদুগী পূংলী কোন্নরা য়াওরি। যূম্বু অদু পূং তৌবা মী অমনি। মহাক্লা পূং ঔরাইরম্বদগী মফম অদুদা থনম্বনি। অপঙ্‌না মখোয়গী লৈকাইগী চাউথোই পূংয়ৈববু নীংশিং-লকই। মরী অদু মঙক্তা হুকচিল্লে—অমুক্তং য়ৈদুনা চো-লোম তোগে খল্লক্লে। অপঙ্‌না মখোঙ্‌ থীন্দুনা মঙক হাইদুনা মখোঙ্‌ খঙ্‌দনা মরু-মনাউ অনিমক কন্না য়ৈবা হৌরকলে।

যূম্বু অদু মঙ্‌ মঙ্‌লম্মী। মঙ্‌নবু অসুক নুংঙাইবকো। পোকপদগী অমুক্তসু উরক্তরি। মহাক লাইরৈবাক শোরা-রেন্দা জগোই য়েংলি। লাইনিপা মখৈনা চোংলি, নূপী মখৈনা জগোই শারি। মহাক্লা মদূবু ফাল অমগী মথক্তা ফমদুনা নুংঙাইনা য়েংলি। মহাক্লা হেক নীংলকপদা ফমলিবা ফাল অদুনা হেক্তমক তাউখৎলক্তূনা চৎনীংবা মায়কৈদা চৎলি—অকোনবদা মানা উরি—খূদৈ শেৎপা লাই অমনা মখোঙ্‌ খঙ্‌দবমখৈ—চোংলি—মাবু উরগা মহাক মথক্তা ইশি শিনা নোকলি। মানা নোকপদু তাইবঙ

ফাওদে—কনাসু তাদে, নোকপদদি পূক্লী তিংলি। মানা থল্লি—"উম্, লাইৱৈবাক অসিদি মীগুম্না পুংয়ৈবা হৈতবোইরে। লাই নিপামচা অসি ঐনা তম্মীরবদি শোয়দে, মানা পুংয়ৈবা মকোক ওইবা ঙমগনি।" অমুক থল্লকই—লাইশিংদি কেবা মোবা য়াম্না হৈরিবনি। মখোয়দি ইনাক খুনবা লৈবাক্নি। ফজ ফজবা মফি মরোন ঙাক্না শেংফম থোক্পনি। মপূক্লীংদা হাইফেত্তং লাইৱৈবাক কোয়ড়ুনা য়েংনীংখি। নোংথাঙ্ কূপ্লগুম ফৎ ফৎ মমিত্তা ঊরকই। ফূরা দলাল মক্তা। অঙকপা পোৎ ঙাক্তা। মফম খূদীং, লম্মী লমহাঙ্ খূদীং অথকপা অরংবা অমসুং অমেঙবা মচু মমেন কয়ানা লৈতেংই। পূমচীক চীকই—মনা মনিন অমত্তা নাইদে। লাইনূপী মখৈনা পোৎ য়োল্লি—লাই নিপাশিংনা লৈবগী থবক তোরি। অদূবু ৱা ঙাঙ্‌নদে। হায়নবা ·লৈত্রবা অকক্লবা নিয়ম অমগী মথাদা পূম্নমক চৎনবগুম তৌই, অঙকপনি!

মথংদা পূম্নমক শ্বায় ঋাঙ্‌খি। ঙসায়গী পুং য়ৈবড়ু অমুক ঊরকই। ঊরগা থল্লকই—নিপামচা অসিদি মী মানপ্রেদা, মপা মমানা য়োম্বোরকপরা করিনো? লাইগী মীনাইরা মহাক্ অসিবো। মীনাইমক ওইরবসু মী ঐথোয়দগীদি হেনফম থোক্ই। ওম্বোক্না মোৎপ্রেদা। খূদৈ মচা অমগা। মহাক্ কুইরম্খিরোই। লাইগী ইচু থঙ্‌দারি।"

অসুম্না থল্লিৱৈদা অপঙ্‌না লৈজবী থাড়ুনা পূং মরুমনাউদা বুদূং বুদূং মথোঙ্ থঙ্‌দনা য়ৈশিল্লকই। অহৌবা মখোল অড়ুনা মনাকোঙ্ মনুংদা চঙ্‌খিড়ুনা মাবু তূম্বা কায়হল্লুই। নিপা অড়ু মঙ্‌ফাওনরকলে। মপুক্তা চিংনবা অমা



অপঙ্‌না পূং চোলোম তৌরি

ফাওরকই। নোক্না নোক্না হাইফেৎ জ্ঞান তারকপগুম তৌই—নোক্লম্বা তোক্তুনা মানা তারি—

মঙতদা তাবা নত্তনা করিনো তাইবঙদসু তারিবা মখোল অসিবো—

মসিদি জগোই পুংখোল নত্তে, তাল চাদে, মথোঙ থঙদে—অদুবু কদাইদগী মখোলনো? ডুং ডুং তাং তাং ফুদ্রুপ ফুদ্রুপ—করিনোনে তৌরিবসিবো। অসুক নক্না তাবশিবু কদাইদনোনে। মনা থাংগৎলি, মমিৎ মনা পূমশিং শিংই—উবদি ফংদে।

মানা খল্লি—লাইরনে? মীনদি মীগী ইমুংদবু অসুম্না তৌগদবা নত্তে—অদুদি করিনো?

মানা অসুমনা ইঙক ঙক্লিবৈ অসিদা মখোল অদুনা ইমুংগী মী অতৈমখৈবুসু ঙম্না মাকপ থোকহল্লে। অঙাং অমনা লাউ-রকই, কিরে কিরে হায়না। অদুদগীদি মহৈ মহৈ কৌনরক্লে, হংনরকলে, মীগী ইনিন্না পূমনিন নিন্নরক্লে। অসি ফাওবদা অপঙদি পূং লেপ্তুনা অদুম য়েদুনা লৈরি।

শিরগা শিরগে খন্দূনা পাখং অমনা লাউরকই। তাঞ্জা অসিদা য়ূম্বু অহল অদুনা মৈ থানগৎলক্লে—পূমঙান ঙাল্লে। অঙানবদা তৌরমলিবদু উবদা অমুক্কা হেন্না ঙক্লখরে। রা-ঙাঙদনা খুৎলাই অমমম পায়দুনা নিপা মখৈনা অপঙবু কোয়শিল্লরে। নুপীমখৈনা মচা মশূ কোনশিন্দূনা মচি অমদা মতৌ অদুগী ভাবোক ওইনরি। অদু ফাওবদা অপঙ্গী চোলোম লেপ্তুরি।

নিপা অমনা হংলকই—হায় নিপামচা! নহাক কনানো, করি তৌরিবনো?

মতুতদা অপঙ্না পূং য়ৈবা তোক্তুনা শোর থবেৎ থবেৎ হোন্না খুমলকই—ঐ হূরানবা চঙ্লিবনি, নথৌ লৈবরা, তৌনাংবা তৌগনি। মখোয়না কোয়না য়েংলকলে, শাগুণ থোঙ্ থেংনরে, থোঙ হাংদোক্তুনা কোয়না থিবা হৌরকলে —মপান্দা কনাবুসু উবা লৈতে। হূরানবা অনিদুদি হান্ননা চেনখিরমলে। মখোয়না মপান থোক্লখ্রিঙৈদা অপঙ্না অমুক চোলোম তৌখৎলকলে। কিদুনা চেনখিগে হায়দে!

য়ূম্বুশিং অদুনা চিবোন চিবোন তৌনৈ। মখোয় পূন্নমক মাবু কোয়শিন্দূনা লেপলৈ।

য়ূম্বু অহল অদুনা হংলকই—নহাক কনানো?
অপঙ্না খুম্মী—খঙ্দে।
ব্লাহং। নহাক কনাগা লাকমিন্নে।
পাউখুম। নিপা অনিথক্কা
ব্লাহং। মখোয় অদু কনা কনানো?
পাউখুম। খঙ্দে।
ব্লাহং। কদাইদা লৈবনো?
পাউখুম। খঙ্দে।
ব্লাহং। নঙগা মখোয়গা কদাইদা থেংনৈ?
পাউখুম। তোর্ব্বান্দা
ব্লাহং। কমদোনা থেংনখি?

অপঙ্না খুমলকই—ঐদি শিদুনা কোম মন্নুংদা লৈ। মখোয়না ইথক্তা মাংথরকই। য়েংউ, হুজীকসু মনম কোক্তরি।

য়ূম্বুনা য়েংই, নকশিন্দূনা মনম নমই—হুঁ হায়দুনা মনাতোন শুগৎলি। চুম্মী অমাংবা থানম নমই। মথংদা হংলকই —অদুগা নঙগা মখোয়গা লাকমিন্নবদি কমদোননো হা?

অপঙ্না খুম্মী—ঐদি অশিবনি, মখোয়দি অশিবা লাইগী মীনি। মখোয়না ঐবু লৌবা লাকপনি। মখোয়না ঐবু অসিদা পুরক্লগা ইমুংদা থাজিল্লকপনি। হুজীক মখোয় অদু মাঙথ্রবরা? নখোয় ময়ামস্তু লাই মনাই মক্তরা?

মাগী মরাশিং অসি তাবদগী অমনা অমুক হায়রকই — নহাক ঐখোয় অসিবু কিদবরা?

অপঙ্না খুমই—করিগী কিরুগনি? ঐদি অশিবনি, লাইনা তৌ হায়বা তৌরিবনি, অশিবা অতৈস্তু তৌরমগনি।

অমনা অমুক হায়রকই—মানা অপঙ্বু তৌশিন্নবা ওইনা খনখি। মানা হায়রকই—ঐখোয়না নঙবু ফূরবদি নঙ শিরেদো—

অপঙনা হাবরকই, তৌন্নু, ঐবু অমুকহন্না শিহনগন্নু। অমুক্তং শিবা অসি ফাওবা শিগদৌরে।

মমৈদা মখোয়না শেঙনা খঙ্লে। অঙাং অসি অপঙ্ অমনি। অকোয়বদা লৈরম্বা নুপা অঙাং ফাওবা মাগী ৱাখাঙ্ তাবদা ৱা-ৱা নোক্নরক্লে। মখোয়না খল্লি—অপঙবা অসিদা শাঊরুদ্রনা কান্নবা লৈতে। অসি খন্দূনা অপঙ্দগী পূং অদু লৌথোক্লে।

অহল অদুনা হায়রকই--নঙবু ঐখোয়না ফূবা চৈবা তৌররোই। নঙদি ৱাচুম ঙাঙ্ব, নিংথৌ মনাই চুমদ্রীং হায়বদুনি—অহায়বতা তৌবনি। অদুনা নঙবু ঐখোয়না থাদোকপিরবনি। নহাক চুমদ্রীং অদুম চৎখিগদবনি, খোয়বা য়াদে। নরাইবক্তা করি লৈবা, চৎলো, য়েংজরু হায়দুনা অপঙ্বু মঙক লাক্নূনা ইল্লকই—অপঙ্ অদু তুগদোই—মানা হায়রকই- 'ইস! শিরমগনিদা।"

৬

মখোয়না হায়বা মতুংইন্না অপঙ্না চুমদ্রাং চুম্না অদুম লাকলি। খোঙথাং পৈদনবা, মাগী শাজৎ খোয়খিদনবা ৱানা হোৎনৈ, লম্বী খোয়বা য়াদে, লাইগী য়াথংনি, অশিবগী শিঙ্খানি। অখোয়বা লম্বী থেংনরবস্থ মদূবু মাগী শাজৎনা চুমখোকপা হোৎনৈ—তুবৎ তুবৎ শমই। মমাঙ্দা তিংখংগী মোংশোঙ থেংনরবস্থ মদূবু মানা মতম চঙনা ৱানা হোৎনদুনা পাকথরগা চুমনা লাৎনবা হোৎনৈ। চাদবনা চফম য়াওদরে, অহিংতুমদবনে, হুজাক নুংশা লুম্বু লুম্বু শাগৎলকপা অসিদদি অপঙ্ অদু ইমুন মুল্লে, মপাংগল্স্থ য়াওখিদরে।

অস্থক ৱারবা অসি ফাওবদা অপঙ্ চৎপা লেপ্তরি- লাইগী শিঙ্খানি, অশিবগী মথৌনি, চত্তবা য়াদবনি। কদাই য়োনা চৎকদবনো মদুস্থ মানা খঙ্দে—লেপ্লদি য়াদে। তোবর্বানগী কোম মনাক অদু য়োরকই—শোর শাংনা হোল্লি. মদুদা শিদুনা লৈরবদি মহাক পোথাগদবনি, অদূবু লাইনা মদুদা লৈয়ু হায়রক্তে—অদুনা চৎপা লেপ্লা য়াদে।

শিবা হায়বসি ৱাগ্রবা জাৎনি। ঐনা করিগী শিরুরিবনো? চানবস্থ ফংদবা, শাজৎ পৈবস্থ য়াদবা, চৎপগী লোইবা খম্বস্থ লৈতবা—অদুদি ঐ কমদোবা তারিবা!! ঐ শিবা তারে। মীনা অমুক্তং শি। ঐগীনা ৪।৫ রক হন্না হন্না শিবা তারিবরা, হেন্না হেন্না অস্থম অৱাবা হাপকৎলকপা—হে লাইবক!

হন্দক্তি মমাঙ্দা খোংনাং পাম্বী অচৌবা অমনা থৎলে। ইস্—'সিদি কমদোবা, অস্থক চাউবা, অস্থক ৱাংবা। কোইনা চৎনীংই, মঙক পৈথদুনা য়েংই, মী উবরা হায়দুনা অমুক কোয়না য়েংই। কোয়খোক্ত না চৎকে তোই, খোঙকাপ

অনিদং থাংলুরগা অমুক তুংহন্নে। শাজৎ পৈবা য়াদে—লাইনা শাউগনি। গতি লৈত্রভুনা মানা হান্নগী মফমদা অমুক লেপ্লে। মখুৎনা কোন্দুনা য়েংহই, থুংদে। হন্না হন্না কা-নবা হোৎনরে, হুমাং কাংলে, শদৌ থোংলে। খজীক্তং পৈথো-ক্লগদি নেৎপা য়াবা উক্রোঙ্গুম্বা মথুল অমা লৈ। মতুদবু মখোঙ্ থাবা ঙম্নবদি মথং মথং লামখিনা য়ারে, অদূবু মসিদি নাকলদনি—শাজৎ পৈবা শোয়দে।

ফনমক হোৎনভুনসু ঙম্নরোইদবা মতৌদা মমৈদা মানা খল্লকই—কাদবদি য়াদে, খজীক্তং পৈববু মখোয়না উবরা !! অসি খন্দুনা মহাক্লা উক্রোঙ্দা য়ান্দুনা কাখৎলক্লে। উশা অমা ফংলভুনা শোর হোন্দোক্লগা মানা কোয়না য়েংলকই—খুঙ্গংগী য়ুম-কৈ পূন্নমক উরি। য়ুমশিং অদূবু মানা পিশক পিশক পাক্লা উরি। মানা খল্লি—অসুক পীকপা য়ুমশিং অসিগী মনুংদবু কমদৌনা মী লৈরিবনো ?

মথক্তা অমুক য়েংখৎলি—উগী মতোল অভুনা আতিয়া খেৎনা ৱাংলি। খজীক খজীক ৱানা হোৎনভুনা মানা মতোল অভু য়োনবা কারকলে। কারগা অমুক য়েংথরকই—হান্না উখিবা য়ুমশিং অভু অমুকসু হেন্না পীকশিনখ্রে—মানা থেংলুবদা ঙম্না তুগনি খল্লকই। মখাদা উগী নাকল ওইরপ্না খোং অমা চেল্লি, লৈখাদা চেনবা ঈশিং মচা অভুদা নুংশা মঙান য়ৈবদা লুপা মহী চেনবগুম ঈরং লংনা উরি। অপঙ্না খল্লি— অশিবা হায়বসি ওন্থোক ওন্থোকপা ঙাক্তা হেক উইদকো।

অসুম্না কাবা মতোন লোম্লরগা অতোপ্লা নাকল অম-রোমদা মশা লৈথোক্তুনা মানা অমুক হন্না কূমথবা হৌরকই। মথক অৱাংবদগী কূমথরকপদদি থোইনবু লুনা থোকখিদে।



অদূবু হান্নগী মানা কাখিবা উক্রোঙ্ অদুগী ওন্নতৈনবদা লৈরিবা উকা অদুদা য়োবদগীদি মহাক কুমথবা ঙমগনি হায়বা উদ্রে। অচৌবা মশা অদুনা ঈশিং খোং মথক্তা হাইথদুনা শাংদোকখ্রি-- মাগী কুমথনবা লম্বাদি অসিনা লোইরে, কম-দোগনি। চোংথবসু শিদুনা তোক্কনি, উথক্তদা অসুম লৈরে কংদুনা শিগনি, শিবগী শিবা ঙাক্তা—মাগী মরাইবক্তা অসুক য়াম্না শিবকো--অদূবু কনানা ঙম্বা কৌনৈ। মমা কৌরকই—ইমা ইবেম্মা। নচাদি অমুকসু শিবা তারে ইমা। অহানবা শিবসু অপঙ্বা নঙদি উজাখিদ্রে, হুজাকসু উররোই নচাগী কুম্নৈ উদনা শিদোকখিবা পঙম্লি।

মানা অসুম্না রাখল লংজীন ফংবা তোদনা কুমথনবা শরৌ কারি লৈবুগে খল্লিউদা শামু তোংবা নিপা অমা লাকপা উথি। এ—লাইনা ঐবু লোথনবা মা খাবিরকলে। মনাক য়োরক্লবদা অপঙনা লাউরকই— "হো তাদা শামু তোংবা! ঐবু অমুক্তা লোথবায়ু।"

শামু তোংবা নিপা অদুনা মাগী শামু খামলে। শামু মথক্তা লেপখৎলে। ফলা রাংলে, অদুমক্তদা অপঙনা মাবুদি শোকলুবা ঙমদ্রে। নিপাদুনা হায়রকই—'নিপামচা! নহাক্কী নখূৎ অনিনা উদগী য়াম্থরকউ।'

অপঙনা রানা হোৎনদুনা কোনবা থুংবদা রারবা মশা অচৌবা অদূবু মখূৎ অনিনা কোনশিল্লে, মখোঙনা মখাদা য়াম্থরকলে। হন্দাক্তি শামু তোংবা নিপা অদুমা অপঙগী মখোঙদা কোনবা ঙমলে। অদূবু তানতা অসিমক্তদা হৈন-রক্তদুনা শামু অদু চখোকখ্রে। নিপাদুনা মরোল লোন্দুনা খাম্বদা শামু অদুনা তাবা লৈখিদ্রে, উনা উনা নোমহৌ নোমহৌ অদুম মাঙদা চৎখরে। অপঙনা মখক থংদুনা অনিমক উদা পানবগুম য়ান্দুনা লৈহৌরে।

ঙাইহাক অসুম্না য়াল্লে। মথংদা ইরোই তোংবা নিপা অমা অমুক লাকলে। অপঙনা লাউরকই— 'হো তাদা, হো তাদা! তাদ ইরোই তোংবগু! ঐখোয়বু খরা লোথ-বীয়ু।' তফিং তফিং লাকপদগী উরমদবা ইরোই তোংবা নিপাদুনা ইথং খংনা য়েংখৎলি। উদা মী অনিখক পানবদু উরগা ইঙক ঙকখি। মরম হংদুনা লৈবগী মতম নত্রদুনা মানা ইরোই খাল্লগা শামু তোংবা নিপাদুগী মখ্বাঙ কোনবা ঙম্নবা ইরোই মথক্তা লেপখৎলকই। মানা মীদুদা কোনবা হোৎনরিঙৈদা শামুনা চৎখিবগুম ইরোইসু চখোকখ্রে। হুজীক মখোয় অহুম চরোং য়ান্দুনা লৈরে।

মথংদা কাংপোৎ তোংবা নিপা অমা লাকই। মহাক্কসু মখোয় অহুম্মু লোথবীনবা ইরোই মথক্তা কাখৎত্তুনা লেপখৎ-লকই। মী মরিনা য়োয়ো লাঙবা অদুদা হৈনদ্রদুনা কাংপোৎ চিংবা ইরোই অদুসু কাংপোৎকা লোয়ননা অদুম চখোকখ্রে।

মতম অসিমক্তদা অপঙনা লাউরকই—"থুনা তোরো! ঐ শিগদোরে।"

অমনা হায়রকই—ঙাইখো হৈ, অসুক ৱানা হোৎন-রিঙৈদা।

অসুম্না উদা মী মরি পরেং শানা য়াল্লে। অমগী মখ্বাঙদা অমগী মঙক হায়দোক্তুনা মখাদা য়েংথরি। মথক্তগী য়েংথ-রকপাদি লৈমায় মখা অসি ৱাম্না লাপ্না উই।

অপঙনা হায়রকই—"তাদখোয়! ঐ নখোয়না য়াম্নবদা শিগদোরে, ৱারে, তৎকদোরে। অৱাবা কাউনবা ঈশৈ শকউ"—

কাংপোৎ তোংবা নিপা অদুনা হায়রকই— "করম্না জাৎনো হৈ, অসুক ৱারিঙৈ অসিদবু—"।

অপঙ্না অমুক লাউরকই—"তৎকদোরে, ঙমদরে—"

মখোয় অন্নুম্মক কিনরে। মখোয়না হায়রকই—"থাদো-কন্নু খাঙ্উ, ঐখোয় ঈশৈ শক্লগে ইবুংঙো!"

শামু তোংবা নিপাচু পালা হায়ফেৎ য়াওবা মী অমনি। মানা হৈজবা বাসক ঈশৈ অমা শক্লকই—

থাবননা ফীঙৌ ফৌ
মালেমনা ইঙৌ ঙৌ
উখানা উরুম লাং
নুংশিৎনা লিরি হুম—

ইরোই তোংবা অচুদি খুল্লঙ্ ঈশৈদগী হেন্না হৈতে—মানা শক্লকই-

শাবিকো মানজও
মানজ নপাউ তাদরে
নুজা ইতৌ উদরে
লমলেন কৈদবু লৈবগে—

কাংপোৎ তোংবনা পেনা শৈরোন শক্লকই--

নন্দোন্দি নন্দোন্দি
লাইহৌ হৌরি লাইহৌ হৌরি
· নন্দোন্দি নন্দোন্দি—

ঈশৈশিং অসি মতম অমত্তদা পুল্লপ তাবদা অপঙ্ অচু পুমকাউ কাউথোকখরে। খূবাক খূচুনা মানা ভাল ভাল হায়না লাউগে তৌরকই। অদূবু অহানবগী 'ভাল' ফাওবদি হায়বা নংহৌই, মথং তাবদি হায়বা নংখিদে, খূবাক খূ-নবা মখূৎ থাদোরকপদা মখোয় মরিমক উদগী পুল্লপ কেল্লক্লে। মখাথংবশিং অচু করম ভৌহৌবা খঙ্দে, মথক থংনা তাবা অপঙ্না ফূক হৌগৎলগা মাঙ্দা চুমদ্রোং চৎখৎখি। খরদং

চৎলগা মানা কাংপোৎ অদু থেংনরে। থীন্দনা অপঙ্ কাং-পোৎ মথক্তা তোংখংখরে। মী তোংবা য়ানবা ফম্পাক অমা ফজনা শেম্লন্মী। ফম্বা ঙমদদুনা অপঙ্ অদু হিপথখরে। থুনমক তূমথখরে। অরা অনা পূম্নমক কাউখরে।

৭

কাংপোৎ মথক্তা অপঙ্ তূমলি। ইরোইনা মাঙ্দা চিং-দুনা চৎলি। লম্বী পোইবা নাইদে লেপ্লস্থ লৈতে। নিংথম থাগী নুংশানি, য়াইবগী পেনবা নাইদে। লম্বাগী অতোঙ-অকূৎ মতুং ইন্না কাংপোৎসু কাখৎ-কূমথ তৌদুনা চৎলি। মদুনা তাল ওইনদুনা, নুংশা তবুম তবুমদা অপঙ্না তংখায় অমা তূম্ তংখায় অমা তূমদ তৌদুনা চৎলি। মমৈদদি অসুম অসুম মুন্থরকলি—মহাক্না হৌখিবা করি অমত্তবুস্ নাংশিং-লকপা লৈত্রে, মানা কাংপোৎ মথক্ত য়াতারিবা অদু ফাও-ববু মশানা খঙ্জরক্তে। অপঙ্ করিসু খঙ্দনা নাথোক্তূনা তূমথরে।

লাইগী নোংদম অঙ্কপনি। অশূকপা উমং লম্বীনি—অরাংবা চীং অমগীসু চাংখোঙ্নি। অঙম্বা চাংমকসু কাদ্রিবা, তমদগীসু ৱাংখৎপা অদুগুম্বা নাপোমদা লৈবা উরক লম্বীনি। হুজীক ফাওবদা উরক লম্বী অদু তচোৎ তচোৎলি—লীক্লা কংবা ঙমদরি। মথক্তা মহৈ মহৈ মশা লোনশি-ন্নদুনা হোৱা অশংবা ঙশা মথৈনা মখা লৈমায়থক পূম্নমক নুংশা ফংহন্দ্রি। মচি মচি থরদনা অমেঙ্বা নুমিৎকী মঙান তারি অসুম্না অমম্বগা অঙানবগা অনি তিন্নদুনা মঙলৈ-বাক্কুম য়েংবদা মতৌ অমা ওইহল্লি। পূমচৌক চীকূই—চীংগী হারি মখোলনা মফম খূদীং মশক উদনা খোংবনা অমুক্কা হেন্না ইচাক ইহুন তমলি।

অনিংঙবা চৌংথা নপা নৈনবা লম্বী অমদা কাংপোৎ অদু নমাদুনা য়াওলগা চৎলি। [illegible] ইনা মশাগী [illegible] খাওই, [illegible] মশাগী নাপিং [illegible] ওইনা লিঙ্খাতলি। নপা [illegible] শী চান-[illegible]। শীং [illegible] [illegible] [illegible] তানখিগনি। পোখ্রবা [illegible] [illegible] নপা [illegible] [illegible] শগুপ শায়রুনা [illegible] [illegible] লেংগনি। [illegible] [illegible] [illegible] ওইবনা [illegible] [illegible] মশাগী লম্বী খঙনা [illegible] [illegible] লৈরক্কি। নপা য়াওরবা মথন্তা চৎলগা [illegible] [illegible] [illegible] ওইবনা মানা খঙদে। [illegible] [illegible] যোনবা [illegible] অদুগা চৎলি, চৎলি, মাংখ্রবা মাগী মিৎয়েংনি।

হন্দক্তি ইরোই অদু চপ লেপখ্রে, মখোঙ থাংদ্রে। অদুগা লেপ্লবদা অপঙ মীকপ থোক্লে। মঙক থাংগতুনা য়েংই, কাংপোৎ অতৈদু য়াম্না নৈ। অরাপ্পদা শীং উ য়ানবা মীশিংগী মীনিল মখোল তায়। মথ-ইরোই মখৈনা শজীক চাবসু য়াওই, কুল্লগা পোখাদুনা শগূপ শায়বসু য়াওনরি।

অপঙ্ হোগৎলে। অতৈগী মতৌ য়েং ড়ুনা মহাকসু ইরোই অদুবু থাদোকপিরে। মথংদা হুজীক মানা তৌগদবা করিনো? অশিবা মাগী লৈফম কৈদনো? অশিবা লাইগী মনাই-শিংনা মাবু চুমদ্রীং চৎনবগী থৌদা পীরকপনি, হুজীকসু মাগী লোইফম খঙ্দ্রি, চৎপা তারি।

অসি খন্দুনা মহাক্না নিংথম্না কোক্নবা কাংপোৎতা য়াও-রম্বা ওবোং অমা ইনশিল্লগা মাঙ্দা অমুক চৎপা হৌরকলে। খজীক খজীক চঙ্শিনবনা শীংচনবশিং অদু মাগী মতুংদা লৈহৌরে। হুজীক ফাওবা মহাক করিসু চাদ্রিবনি। মপূক লাম্বনা মমিত্তা তন্দন পাইরবনি, থাংলিবা মখোঙ্সু খোঙ্-থাং চুমদ্রবনি, কাফৈ-তুফৈ থাংলবনি। অসিমক্তদা মহাক চৎলি, লোইবা নাইদনা চৎলি, চৎলি, মখোঙ্না চিংলিবমখৈ মহাক চৎকনি, লাইগী য়াথংনি. অশিবগী শিম্থানি—

অসুম্না চৎপনবু কয়া কুইগনি? পাঙ্লি হায়বদু মঙায় মমিং পাঙ্দবগুমলে, মশেল মরাং উরে। মখোঙ্না শোরো শোরো চিংড়ুনা অরূম্বা মশাবু পুরি। অদুবু হন্দক্তি পল্লে, মনাক্তা হৌবা উজাও অমগী মরূ অচৌবা অমা লম্বীদা ফৈগাক থত্তুনা লৈরম্মী। চীংখোঙ্দগীসু হাইফেৎ হাইগৎলবা মফমনি। অপঙ্গী মখোঙ্না মতুদা পল্লে। অপঙ্ লেপ-চবা ঙমদ্রে, হাইথখরে, অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমখিদরে-খঙ্বা ঙম্মবা লৌশিংসু মশাদা ফাওখিদরে। অপঙ্ নান্থ-ড়ুনা তাখরে।

অশূকপা চীংনুং উরক ওইবনা মপান্দগী য়াম্না হান্না মম-শিল্লি। অদুগী মথক্তা হুজীক নুমিৎ তাশিল্লক্লে। উমংগী শাহিং চাবা শা পূম্নমক হুজীক মমিৎ মমায় শিংনরকলে, চাক্তাবা থোক্কদবগী থৌরাংনরকলে। মীচিক মারাউখোন

তাদ্রবা, চীংন্নুং উরক অমদা অসুম্না অপঙ্না অশিবগুম্ তাদ্রুনা লৈরি। মাবু হুজীক কৈনা চাখোক্‌খিবদা কনবী-নবা লৈত্রবনি, মহাক্ মশানসূ করিসূ খঙলরোইদবনি। মহাক্ ইশি শিনা অদুম্মক্ তাদ্রুনা লৈরি।

অহিং থেঙ্থরক্লে. লীক্লা তাবা হৌরক্‌লে। অঙৌংবা নুংশিংকী মেঙ্লবা শউম্ থেংনবদগী অপঙ্গী শিরুরবা মশা অদু অমুক্ তেক্‌খৎলক্লে—মমিৎ পাঙ্লক্লে। অদূবু মানা অকোয়বদা অমম্বা নত্তনা অতৈ করি অমত্তবুসূ উবা ফংখিদে। উদে হায়দুনসু য়েংদনা লৈবা ঙমদে—করিনো অমত্তংবূদি উনীংই—য়েংজবনা মিংকী মথৌনি। অদুনা অপঙ্না কোয়না অসুম হন্না হন্না য়েংলি। শা-কৈ মখোল তাদুনসূ মঙোন্দা অকিবা করিসূ ফাওবা লৈতে—মরমদি মহাক্ হুজীক্ তাইবঙ্পানবগী অকিবা পূম্নমক্কী ৱাংমা লাম্থোরক্লবনি।

মশাদি লেঙ্বা ঙমদরে, মমিৎ অদুতনা কোয়না অসুম য়েংবদগী হেন্দ্রে। অসুম্না ঙাইহাক হোগ্রবদা পঙ্লাপ লাপ্তনা অমম্বা চবুন মরক্তা করিনো অঙানবা অরংবা মতুম মচা অমথক উবগুম তৌরকই। মমিৎপু থাজদদুনা মথৎনা নোইরগা অমুক য়েংই, মানি হান্না উখিবদু অদুম্মক উরি। করিনো'সিদে ? অপঙ্না মদূবু মশক খঙনীংবনা লোইরে। অদূবু চৎপদি ঙমদ্রে। কমদোনা ফংলুগনি।

মানা হৌগৎকে তৌই, অমুক হেক্তমক হাইথৈ, লেঙ্নবা পাম্নে লৈতে। অদূবু পূক্লাংগী থৌইনশিন অঙক-পনি। মহাক্লা অরংবা পোৎ অদুগী মায়কৈরোমদা থরো থরো ওনশিনবা হৌরকলে। পোৎ অদু ফংনীংবগী ময়াইনা

মশাদা থেংনবা চৈনাথোল করিস্ থৌশাখিদরে লাইগী নোংদমনি—উচিন নাচিন নকশিল্লক্লে। মনাকমক্তদা য়োৎরে। মখূৎ পাক লামথোকপা কিন্তুনা ঙাইহাক অমুক য়েংদুনা লৈরে। মচি করিস্ লেঙ্দে, অতৈ করি অমত্তবুস্ উবা লৈতে। অশাবা মনিল ফাওবরা হায়দুনা মহাক্না মখূৎ নকশিন্দুনা য়েংই, করিস্ তৌদে। মমৈদদি মহাক্না থোক্লবা অমা লাক্লসনু অসুম্না খন্দুনা অরংবা পোৎ অদুদা মমিৎ উইশিল্লগা খংপায় পায়রুরে। মমিৎ পাঙ্থোরকপদা লোংখাক লোংনা মহাক্না মখূবাক্তা উরকই—অমুক্তসু উত্রিবা অরংবা মতুম মচা অমনা ইঙান ঙাল্লমল্লি

করিনো খঙ্দে, মপূক্তা নুংঙাইবা ফাওই। চুম্না নুং-ঙাইবনদি কৈদোনি। মপূক্কী অরাম্বা মতৌ অদুনা থংনবা মিংকূপ্তা মাবু হেক্তমক ৱাহল্লি। পূক্তা করিস্ তারক্ত্বা, নিনি চূপ্পা চাবা ফংলক্ত্ৰবা, ইনখৎলকপা অঙাং অমদবু তাইবঙ্ অপূম্বগী নুংঙাইবনা মঙোন্দা কৈদোরুগনি মহাক্না অতৈ করি অমত্তবু খনখিবা তৌদে অচাপোৎ মরীক অমত্তং—চাক মরু অমত্তং ময়াদা তাহনবা ঙম্নবদি হিংগনি অসুম্নতা খল্লকখি। মখূৎকী পোৎ অদূবু পায়দুনা অসুম শান্ন-শান্ননা মহাকনা মমানা ইনবীবা চথোম অদুতবু অসুম মপূক্তা খল্লকই। রাখল অসিদা উংখিদুনা মহাক্না মমৈদদি খঙ্-হোদনা মখূৎকা মতুম অদু ময়াদা লংশিন্দুনা য়োৎথ্রে।

অঙকপনি! মতুম অদু য়াই ওইরম্লমাল্লে, হেক য়োৎ-খিবগা থীন্দনা চোকথরবা মশা অদু তথীং তথীংলে। অৱা-অনা করিস্ লৈখিদ্রে, অরাম থোরাং মথৈস্ কোকথরে। অপঙ্ হোগৎলে। হোগৎ হোগৎনা মহাক্না মাগী মযুম

নীংশিংলকখি। লোয়ননা মানা থনখি—লাম্বনা শিগদোৱবা ঐনি, খূদক্তা অরাম্বা থোৱাংবা পূম্বা কোকলে। মসিবু মঙ্ নত্তবরা? মঙ্ নত্তনবু অসিগুম্বসিবু তাইবঙ্দা থোকপা হৌনবরা। হে অশিবগী মঙ্- নহাক অসি ৱাবদসু নঙ্গুম্বা য়াওদে, নুংঙাইবদসু নপা লৈতে। অসুম্না মানা হুরানবশিং অদুগা থেংনখিবদগীনা চুজীক ফাওবদা থেংনখিবা পূন্নমক অদূবু অশিবগী মঙ্নি হায়না অদুম্মক থাজখি।

৮

অপঙ্না হৌগৎলকপদা মাগী ময়ূম অদূবু নীংশিংখি। মমিৎ উইংশিন্দুনা মহাক্না নুংশিজরবা ময়ূম অদূবু থম্মোইনুংদা য়েংজরকখি অমসুং মদুনা ফজথ্রবা সঙ্গাই অমা ওইরম্লবদি কয়াগী মতিক নুংঙাইরমগবা অসুম্না খল্লকই। অঙকপগী মতৌনি। খন্না খন্না মমিৎ হেক পাঙ্থোরকপদা মানা থেংনরিবসিদি করিনো? হাইমা, মসিদি মঙমচা মশূনত্তে, মঙ্জাউনি, পূন্নমক্তগী হেনবা মঙলেননি। লাইরৈবাক ফাওবনা অসিগুম্বা মঙ্ অসিবু মঙ্জবা ফংলমগদরা!!

ফজথ্রবা হৈপাল লৈপাল মরক্তা নীংথিবা সঙ্গাইশংলেন অমা লৈ। শঙ্লেন অসিগী অচোবা কা অমগী মনুংদা মহাক অমোনবা ফম্মুং অমগী মথক্তা নুংঙাইনা য়াতারি। কা অদু শাবসু শাদে, ঈংবসু তৌদে, অচৌক অশা চপ মান্নে, হায়কম খঙ্দবমখৈ নুংঙাইহল্লি। নীংথিরবা, মশক মতৌ চঙথোনবী লৈশাবী হেলোই তরেৎথক্না মানা নাংবমখৈ খূদক্তা থোকহন্দুনা মাগী পেন্নবা সেবা তৌরি।

হেলোয় তোম্বী অদুনা খ্বায়দগী মশক ফজবা হেল্লি। অপঙ্গী সেবা অসি মহাক মথন্তনা তৌই। অতে মচে-শিংনা পোৎ লাম্থোক লানশিন তৌই। হেলোয় তোম্বানা পুশিল্লকপা—সনাগী পুথমদা হাপ্পা লেঙ্ লেঙ্ চৎপা চাক অমদি মনম নুংশিরবা মনিল ৱা ৱা কাবা সনাগী তেং-কোৎশিংদা হাপ্পা ঈনশাং মথেল মকোয় ময়াম অদূবু হেক উবদা অপঙ্না হরাউমনখ্রদুনা হেক চোংখৎলি। মদূবু মহাক্না ফংহৌরোইদবা মতাগুম লোইনবা চাথোকই। হেলোয় নৈশাবীশিং অদুনা মাগী চাকচা-য়ুথক মত্তা অদু উবদা মাবু কিবনা মঙক নৈথোক্নূনা মোমোন মীনোক তৌনরি।

চাবা লোইরদুনা অপঙ হান্নগী ফম্মুংদা অমুক কাখৎ-লক্লে। মোম্পাক অদুনা শঙ্গোম মপানগুম থোৎলি, ঙোই অমদি মোন মোন লাউই। অপঙ্না, খূয়াদা ফমদুনা মাগী মথোঙ্ নোইরিবী হেলোয় অতোম্বী অদুগী মশক উবদা পূমঙক ঙকলি। মাগী মঙাম্তনা মফম অদুবূ হেক পূমঙাল ঙানথোকহনবগুম তৌরি। অপঙ্ ঙকপগী থেংই। হেন্না অমুক্না ঙকপদি—মতম পূন্নমক্তা মফম অদুদা অহিং-নুংথিলগী মতৌ নৈতবা অদুনি। মানা খল্লি—মঙ্নবু করি ওইদবা য়াওবনো—অসুম্না।

মানা উবা ফংলকই, লমলক্কী তীল, কৌজেঙ্ হারৌ, হারিনচিংবা থৱায় পানবশিং পূন্নমক্তা হেলোয়গী থৌদা মতুংইন্না মাতবু নুংঙাইহন্নবা হোৎনবদা হায়বা ইনবা মীনাই মীশলগুম কোয়না চেন্না মাগী মাগী শিন্থা পাঙ্থোক্লরি।

চাক তোক্লবা মতুংদা, য়েনা ইচীক ইহুন তম্লবা মফম অদুদা, অমোনবা ফম্মুংদা য়াতাদুনা নীংথিবী হেলোয়গী

মশক য়েংনা য়েংনা অপঙ্. অদু তপ্না তপ্না মমিৎ উই-শিনখরে—নাখোক্তূনা নুংঙাইনা তুমখ্রে।

হেলোয় অতোম্বীনা তপ্না মেঙ্.না, নুংশিনা নাউশুম ঈশৈ শকলি—

হা হুম্ হা হুম্ য়াতারো
থম্মোইগী মণি পোত্থারো ॥
অন্না মৈশা কোকলোনে
মঙ্.লৈবাক্তা তাঙরোনে ॥
হা হুম্ হা—হা হুম—

অমম্বা অহিংদা, মানা থেংনখিবা অরংবা মতুম অদু "শিদয়াই" হায়বদুনি। মদূবু মানা য়োৎশিনখিবদগী য়াই অদুগী মপান্না হুজীক মানা নাংনক নীংলকপা খূদাংমক হেক্তা থুংই। অপঙ্.মশাদি মদূবু খক খঙ্.খিদে, মঙ্.নি হায়নতা মতম পূন্নমক্তা খল্লি।

অপঙ্. মিৎকপ থোকলে ঙক্তক তৌই। কোয়না য়েংই হেলোয় লৈরমদ্রে। হুজীক্তি মহাক হান্নগী খূদৈ মতৎ শেৎপা, চাবা ফংদবগী অন্নাবনা লাকহৎপা নিপামচা অদু নৎখিদরে। ফজরবা অরংবা মুগাগী ফীজোলতনা হুজীক মাগী লৈতেংনি। ফেজোম ফুরিৎ পূন্নমক মুগাগী মুগা মক্তনি, কুপথ্রবা লংলানা শাবনি। মথন্ত মশাদা হন্না হন্না য়েংই— মথন্তা মোমোন নোকচৈ। মকোক্তা মখূৎনা শোক্তূনা য়েংই—ফজথ্রবা কোয়েৎ অমা য়েৎলি। কোয়েৎ মতোন্দা ফজথ্রবা অতাঙ্.বা উচেক মতু অমা উরীশেক ওইনা থেৎলি। অদুগা মঙক্তনা ফজথ্রবা মুক্তা পরেং অমা শিরি। মনা অনিমক্তনা অঙাঙ্.বা মচুগী তাঙ্.লবা নোংথৈ মতুম অনিনা লুম লুম লাউনা য়াম্থরি। অসি পূন্নমক মহাক্না

মমাঙ্দা লৈব', মরেপচনবা অচৌবা শকয়েং মিংশেল অমদা উরিবনি। মমৈদা মানা মাগী মখোঙ্ তম্না অমুক য়েংথরকই—কদোমদগী লাকপনো খঙ্দে, খুদক্তা রেশম অঙাঙ্বগী ফজথ্রবা খোঙ্উপ অনিখক মথন মথন্তা লাক্তূনা মখোঙ্ অনিমক্তা উপশিল্লরি। অঙাঙ্বা অদুগী মচি মচিদা সনাগী কোঙ্গোন থিল্লি, ঈরং ঈরং লংলি।

অসুম্না মশাগী লৈতেং পূম্নমক মথন মথন্তা হেক হেক থোকচরকই, নাংবগা থোকপগা হেক্তমক চপ চপ মান্নে। অসুম্না মশাগী করিসূ অরাংপা লৈত্রবা নাংলিমখৈ ফংবা মতৌ অসিদগী অপঙ্ অদু হান্নগা মতৌ ওইখিদ্রে। পঙ্‌-লবসূ পঙ্না মাগী রাখল মওঙ্ অমা হোংলক্লে—লোয়ননা চাং-লেম্বা মতৌ অমসূ মথন্তা মশাদা শাগোন্নরকলে। অসুম্না মফম, মতম অমসূং ফিবম ফিরেপ্না মাগী পুক্নীংগী মতৌসূ হেক হেক হোংহল্লি। মসিনা তাইবঙ্ মারমলেন পূম্নমক্কী মতৌনি। ঐখোয়গী অপঙ্সূ মওঙ্ অমা হোংলক্লে।

ফম্মুং মথক্তা হৌগত্তূনা ফমলে। হকাম অমা শাংনা চল্লে হুজীক মহাক্না পানা চানীংলক্লে। নাংবা লোই-ফাত্রিবৈঙনা হেলোয় অতোম্বীনা সনাগী শেম্পাক অমা পায়ডুনা মমাঙ্দা লেপলৈ। শেম্পাক্তা ক্না মতপনা চোন্না হাপলি। অপঙ্না হেলোয়দা য়েংনা য়েংনা পানা মতপ অমা লৌডুনা ময়াদা নমশিল্লি। হেলোয় অমুক মাঙ্খ্রে।

অপঙ্ হৌগৎলকলে। ফম্মাঙ্দা লেপ্লগা মহাক্না চৈশু অমত্তং পায়নীংলকই—কুইদে, ফজথ্রবা শামু ময়াগী চৈশু অমা মাগী মথূক্তা হেক্তমক থুংলৈ। অপঙ্না মদু পায়খত্তূনা হরাত্তনা য়েংই। অপঙ্না মদু হাইর হাইরডুনা মপান থোরকলে। রাগ অসুম নুংঙাইথৎলক্তূনা মচান্দা হুই

খোংনা খোংনা চৎলি। চৎনা চৎনা মহাক্না উবা ফং-লকই—নাক-য়েৎতা নীংথিবা হৈপান লৈপান কয়ানা মফম অদুগী ফজবা হেলহল্লি। কোৌজেঙ্ হারৌনচিংবা লম্মলক্কী থৱায় পানবশিংনা হৈকোন লৈকোন পূন্নমক অদূবু শেন্নরি। মানা মখোঙ্ থাদুনা চৎলিবা লম্বী অদুগী মথক্তা লৈগী অকূপ্পা লৈরৌক ঙাক্তনা ইথন থম্না চাইথোকলি। অসিগুম্বা লম্বী মচা অচৌবা কয়ানা মচি খূদীং শন্দোকাখ্রে। অচৌবা ঈশিং পেরে অমনা উরী ৱারীনা কোয়শিন্দুনা খোঙ্-লম্বীশিং অদুগী হৌফম ওইনা ঙাল্লি। খোঙ্লম্বী পূন্নমক মচু মমেন তোঙান তোঙাল্লি, অমনা সনা মচুগীনি, অমনা ঙাংশঙ্ ঙাঙ্ই, অমনা লুপা মচুনি; অসুম্না মিৎনা উবা তাম্বা ফাওবা শাংদোকাখ্রে।

অসি পূন্নমক য়েংনা য়েংনা পূক্নী নুংঙাইনা অপঙ্ চৎলি—মখূত্তা চৈশু হাইরি। মচান্দনা মরোল খঙ্দনা ভুই খোংলি। অদুম্না মাঙ্দা খরা চঙ্শিল্লগা মহাক্না নীংথিবা, উরীতনা শেম্বা অদুগুম্বা হোজঙ্-থোঙ্ জমগী মনাক য়োৌরকই। হঙোই পোরোবী অমনা থোঙ্ভদু ঙাক্লম্মী। হঙোই পোরোবী অদুগী মকোক্তা থম্না খেনজোং অমনা টুপী ওইনা উপলি। অপঙ্বু উবদা মানা গো গো খোংদুনা অনিরক্তং চোংলগা মংক নোন্দুনা খুরমলি। মতিক চাবা থোগল লোয়নননা য়াম্নমক কিনা হংগোইনা মানা থোঙ্ হাংদোকই।

অপঙ্না থোঙ্ ৱাংমা লান্থোরকই—মানা উই-লম্বী মথক্তা অশংবা মচুগী দোলাই অমা থাদুনা লৈ মদু পূক্নীং ভূনা ফজৈ--মদুগী মওঙ্ অদু চাউরাকনা য়েংবদা মৈতান-চাবী মাল্লি। মথক্তা ষম্থা য়েনগী শেকপিন অমা থাল্লি,

মতুগী মখোঙ্দনা অপীকপা কোজেঙ্‌ মওঙ্গী তাঙ্বন অম থারি। অপঙ্না হরাউনা কাখত্তূনা মতুদা ফমলুই।

মানা হেক ফম্বগা মান্ননা দোলাই অতু মথক্তা তপলি তপলি চৎপা হৌরকই। দোলাই অতুগী কাংখোঙ্‌ পান্দে অদূবু অতুম্মক চৎলি। লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরম্বা মখৌ মশিন তৌনরম্বা উরক্কী তীল-কাঙ্‌ উচেক ৱায়া পূন্নমক্কা অপঙ্বু উবদা হেক হেক মকোক নোল্লি।

অসি পূন্নমক উনা উনা অপঙ্না দোলাই মথক্তা ন্নুং-ঙাইনা ফমলি। মানা ঙকই, দোলাই অতুনা খূদক খূদক্তা মানা নীংবা পূক্নীংগী মতুংইন্না হেক হেক চৎলি। মিৎনা কূপ্পদা অহাঙ্বা শুন্দা পাইখৎলি, অৱাংবা আতিয়া মথক্তা তগুপ তরেং ঙাল্লিবা থৱান্মীচাকশিংগী মরক খায়তুনা পাইরি। মখূৎনা লাম্বা ফংবা থৱান্মীচাক মচা খরসূ খোমজিল্লগা মাগী ফূরিৎখাউদা হাপচিল্লি।

করিগুম্বদনা মহাক্না অমংবা নোংনা অমুবা লৈচিন ওইনা পাইরিবা অতুগী মথক্তা দোলাই থৌজিল্লি—পাইরিবা লৈচিন মপাংশিং অদূবু মাগী চৈশু অতুনা হাইতুনা হেক তূপথৎলি।

করিগুম্বদনা পাক্লবা সমুদ্রগী ঈমায় মথক্তা মাগী দোলাই অতু পাইতুনা চৎলি। অচৌ অচৌবা ঙা মখৈনা ঈশিং মন্নুংদগী ৱানা ছুনগৎনরিবতু য়েংলগা মথক্তা ফাক ফাক নোক্তূনা ন্নুংঙাইজৈ।

অসুম্না মাগী মপূক্নীংনা মাগী দোলাই অতুগী শাথৌবা ওইতুনা নীংলকপা খূদীংমক হেক হেক থুংহল্লি।

অপঙ্না মমৈদা মাগী হান্নগী সঙ্গাই অদূবু নীংশিংলকখি। খূদক্তা মহাক মতুগী মন্নুংদা য়োরকখি। কমদোননো খঙ্দে

হেক্তুমক লৈরম্মী। মাগী ফম্মুং অদুগী মথক্তনি। মানা জগোই য়েংনীংলকই—অঙকপনি—মানা লৈরিবা কা অদু থূদক্তা ফজথবা জগোই শাফম অমা ওইথোকখ্রে। লোয়ননা



মুখল মরুমদগী থোক্লকখি—হেলোয় লৈশাবী তরেৎমক। অঙকপা মখোয়গী ফিজেৎ লৈতেংনি, মশক্লা চাবা হাউ-গদবগুম তৌরি। মপাম্বোমশিং অদু থম্বৌ হেরা মাল্লি। পোপ থুদেক্তূনা চাবমক য়াগদবোই নীংই। মক্ষম অদুনা অসুক্কী মতিক মনম নুংশিরি মদুদি, অপঙ্না মদূবু নাম্বোক-হন্নীংদদুনা কুৎ কুৎ য়োৎশিল্লি।

মমাঙ্দনা শোরারেনগী জগোইশাবীমক্তগী হেন্না ফজবী; ফিজেৎ লৈতেং চঙ্খোনবী হেলোয় তরেৎনা নীংথিবা শাথেক্কী ঈথক ঈপোম হৌহন্দুনা, শক্তোরকপা ঈশৈনা তাইবঙ্ পূমমক্তা অথুম্বা মহা চেলহন্দুনা অপঙ্গী পেন্ননবা থৌগলগী মওঙ্দা জগোই শারি।

অসিগুম্বা শুঙ্কৎনিঙাই ওইবা হেলোয়গী জগোই অসিবু উরগা অপঙ্না মথন্তা অসুম শোনজরকই—

" হে অশিবগী মঙ্। নহাক থক লোইথিগনু "

অসুম থন্না থন্না মহাক্লা ফূরিৎখাউদগী থবান্মোচাকশিং লোথোক্তূনা জগোই শাবীশিংগী মরাইবক্তা অমমম থেৎ-চিনবীরে। অপঙ্গী থৌজান ফংবদা হেলোয়শিংনা হরাউদুনা থুরুম্মখি।

অসিনা নোংমতা নত্তে, নিনিতগী নত্তে, লোইবা নাই-দবা মতমগীনি। শিদয়াই, নাদয়াই য়োৎথিবদগী অপঙ্দি থক শিবা নাবা লৈত্রবনি। ঙসি ফাওবদা অশূকপা চীংয়াগী মীনম তাদ্রবা উরক্তা অপঙ্দি অসুম্না লোইনাইদবা মঙ্-লৈবাক্তা তাউদুনা শানরি। উরক্তা, চৌংগী তাম্না অমদি হারিনচিংবনা মাপুগী থোংগনদা ইচৌক ঈহুন তম্নবা লোইবা লৈতনা ঈশৈ শক্করি, কোউইরগ হারোনা নাউশুম ঈশৈ শক্করি।



লোইরবা